হেলোই হেলোই মী হেলোই




হেলোই হেলোই মীহেলোই

প্রমোদিনী

ফোঙজবী

থাইদেম প্রমোদিনী
কাকৈরোল, থোঙ্গচোম লৈকাই
ইম্ফাল।



অহানবা ফোঙবা—১৯৯১

নম্ফম
আর, বি, প্রিন্টিং হাউস
নাগামপাল
ইম্ফাল

মমল রুপা—১৫

হায় অকোকশা!
হায় হেলোই!
শরোই ঙারোই!
নহনক্ষমদা হল্লুহৈ
নতেক্ষমদা তেম্বূহৈ
শ্বাই মাঙঙ্‌হৈ
তুম তুম তুমুঁহৈ
কুরুগী য়াখংনে।

হেলোই হেলোই মীহেলোই

ৱালট দিজনিগী কারতুন পিকচর, চেকোস্লোভেকিয়াগী জিরি এক্কাগী অশাবা লাইগী এনিমেসন ফিলম অয়েংবশিংবু নহা অহন পুম্নমকপু নুংঙাইহল্লি। ইসোপকী ফেবল শা-ঙা ঙাক্তু ওইরবস্মু মীওইবগী লমচং-শাজং ঙাক্তনি। শা-ঙাশিং শিজিন্নদুনা অমুক হেন্না নুংঙাইহল্লি। লম লম খুদিংদা লৈবাক লৈবাক খুদিংদা ফেয়ারি টেল কয়ানা অঙাংশিংবু ঙাওহল্লি সিন্দ্রেলা তোম থম কয়া কয়া লৈ কাওবা য়াদবা। প্রমোদিনী দেবীগী "হেলোই হেলোই মীহেলোই" অসিনা অমুক অমনি। কির কিরবা মঙ-হাগী লাই তিন শারোই ঙারোই পুশিল্লকতুনা ইঙক ঙকহল্লি অমুকস্মু কিহল্লি। অদুবু ঙহাক ঙাংক্নরগা ভাবস্মু তারকই। লাইরিক পাবা মী হেলোইনা চেন্দুনা পুই। কোইপু পুক্নরগা ময়ুমদা অমুক থম্বীবমই। লাইরিক অসি পাবা মী হেলোইনা চেনগনি। অদুবু কিনিংঙায় লৈতে। ময়ুম অমুক যৌবক্কনি, জ্ঞান তারক্কনি।

মীওইবগী পুন্সি অসি অস্মুন্না ঙাইহাক ঙাইহাক ঙাওবা ঙাক্তনি। ফিকসন নোবেলস্মু কবিতাস্মু ফিলমস্মু ঈশৈস্মু জগোয়স্মু ঙাইহাক ঙাইহাক ঙাওবা ঙাক্তনি। ঙইহাক ঙাইহাক ঙাওবা দবকার ওই ফাওবা হায়নিঙই থাংচৈংশেংনা ড্রগ চাদুনা নেশানা পুদুনা মাঙথিবা নত্রবদি। প্রমোদিনী দেবীগী হেলোইশিং অসিনা পুদুনা ঙাইহাক্তুং ঙাওবিয়ু অদুগা খঙবা য়াই হেলোই শারোই-ঙারোইশিংগী লাই-তিনশিংগী শক্তি।

কবিতাগী লোন য়াম্না চমই জর জর চৎলি। খঙহৌদনা য়ৌখিনি অঙকপা লম। মৈতৈ লোনগী স্থর অমস্থ তাগনি। হেলোইগী স্থর তারক্কনি অতুদগী হেলোইনা চেনগনি। মন্ত্রগা শক্তি য়াওবা লোননি হায়বা খঙলকই। লাইরিক পাবা লোইরগা ভাব তারক্কনি।

সমরেন্দ্র
31. 1. 92

শৈহৌ

ওন্না ওন্না তুম্মী হন্দক মরক
মঙডি মঙ শাংনা শাংনা
ইন্নুং তৈনা ঙান ফাও
ক্বাকনা লানবাও শীন ফাও
চরোইনা তেতু খোং ফাও
ঐগী মঙদা উই
হেলোই অমা উই
ঐদি খঙদে মীনা হায়বনি
হেলোইনি হেলোই মীহেলোই।
লাইরিক মচা অসিদা য়াওরিবা
ৱারী পুন্নমক হেলোই অসিনা
লৌখিবা ৱারী ঙাক্তনি মঙলান্দা
কিবিগনো পাবিয়ো পুক্নীং লৈতানা
পুক্নীং লৌশিং ওইনবনে ওইনবা।
তৌজিক চাউখৎ ওমথৈ য়োৌরকান
নমুপোং ওইবা তাইবংনা
নোংমদোন থাজ কারকান
শুন তরংদা মীনা পাইরকান
হেলোই মমি মানা কৈদৌজরনি
কেসে খুৎকাপ্পীতুম কাপথোক্কে
সে
তেক তেক তেক॥

হেলোই হেলোই মীহেলোইদা

য়াওরি মখাগীসি

১

শনরেম্বীও থোরক্লো

(ক)

প্নলেম লাইরেম্বী অহানবৈ পাউত্তাকথোল

ইমাই ইমোম লাংলেন ইবেম্মা
শনরেম্বী নঙবো ইন্নুং নোংলেন চূপ্পা
খোমলেন নিকপ তান্দখৈ
লোংনা হিপ উরা য়েং
অমক নোক অমুক কপ
পায়মন্নুংদা করিবু খল্লিবা।
শনরেম্বীও থোরক্লো
নয়ুম শঙ্গাই শাবিগে
পুন্সী কায়দোং শেম্বীগে
লাই খুবাক খুবিগে
থারো থারো শুরুং মকোন্দো থাবো
মায়খুম উপ্পী শকলোৎপীগী মকোন্দো।

শনবেম্বী পায়মন্নুংদা খল্লি মদোম
তৌরিসিবু করিনোনে পায়মা হীরী কোন
ঙাইহাক পুঙ্গোয় রাখল খল্লুরে হায়রগা

হৌখ্রবা অকাউ পরৈ চল্লুরবা
মাঙলমচংকী থোদোক কয়াবু
নীশিংলকখি মথং মথং।
নোংমা লাকখি মায়খুম উপ্পী অমা
মশানৌ অতোম্বীগা চান্ন-ন্নুংশি ব্লাচানৈ
উবদা শনরেম্বী মথব্লায় শোকখি
করি ন্নুংগীনো ইশানৌ মানা
শকলোংপী মায়খুম উপ্পী অসিগা
চান্ন-ন্নুংশি ব্লাচানবিবা ব্লারীনরিবা
তরা লূকতিন্না চামিন্নরিবা
লাইজা ঈশিং থকমিন্নরিবা।
স্নুম্না স্নুম তৌরবদি
মশানৌ মাঙবা তারে করমনো
শনরেম্বী পায়মা ন্নুংদা খনবনা
ব্লারক চৈরাক পীখি মশানৌদা।

কুমজা কয়া হৌখ্র তুং
য়োরকখি নোংমা মায়খুম উপ্পী শকলোংপী
অনৌবা শকলোন অমা লৌ।
শব্লৌ হৈবী মায়খুম উপ্পী
ব্লাকায় শুবী শকলোংপী
খুজিন থোরাং হৈবী মায়কনবী

ব্লাঙাং ব্লাফৈ ফেনগনবী
কারন তাগনবী অতুনা
কায়নহনখিবা খোইনৌ অমা ইতারোই
খোইনৌ য়াংদৌ চান্নরোই
মুংশিবী ইতা মানা
তাংজ ফিরুক খুম
মমি শঙলেন মুংদৈ খোঙব্রাইখিবা
ইকাই মুংশি য়ান্ন নীংবা কায়।
শকলোংপী মায়খুম উপ্পীগা
ঐগা ফমফমলাংদা ফমহৌবা।
তাংজা মায়থোঙ পুঙমদা লৈহৌবা।

মায়খুম উপ্পী শকলোংপী
নোংমা নোংমই নকশিল্লকখি অস্থুম
নকশিল্লকখি শনরেম্বী নাক্তা
শনরেম্বী মরম্নাই খনখি পায়মন্নুং
কনা ওইরিগবা শকলোংপী অসিবো
মানা ঐবু অস্থুক লুনা চাল্লিবা
করি করম্বা মরম লৈরদনা মাগী।
নোংমা কোরৌ নুমিৎ অমদা
মচেমগী চৈরাক ফংখিবী মশানৌনা
চিঙ্গোই য়াব্রা পাউমেনজখিবা মচেমদা

হেলোই হেলোই মীহেলোই

নীংশিংলকই য়াব্রাশিংদো—
ইচেমহন নঙবুনে নুংশিবী
পলেম শকপী ইচেম ইবেম্মা
শকলোংপী মায়খুম উপ্পী নুপীসে
মাবুতদি থাদোকপীরোগবা পলেম
ইচেমহন নঙবু মাঙবা তারেনে।
শকলোংপী মায়খুম উপ্পী নুপীসে
মরৌ লৈবীনি কল্লক চাউবিনী
মাগী মশক অশেংবা উৎথোক্ত্রিসে
খঙবীয়ো পায়মা ব্রাখল তৌবিয়ো
নক্লা য়াদ নুপীনিকো তমথীবী।
লাইনস্থু য়াদবা মীনস্থু য়াদবা
ওইজথীবী উতাংবীনে উতাংবী
শেংতোক ফাক্তোকপা ব্রাগনিকো
মানা অমুকপু নপগ্রবদি ইচেমহন।

মশানৌগী য়াব্রাদো খোঙইনা তাখিদে
মাই মনাকোংদা চঙবা ঙমখিদে।
পায়মা নুংদা থনখি—
মৌনবু লমচৎ নাইদবা হৌনবব্রা
মায়খুম উপ্পীবু মীওইনা থনখিবনা
মশানৌ ব্রাবু লান্না লৌখিদো॥

(খ)

পলেম লাইরেম্বী অনীগুবৈ পাউত্তাকখোল

ইমোম লাংলেন নঙ খঙদবোইকো
মায়খুম উঙ্গী শকলোংপী ন্নপীদে৷
অতৈ কনা নত্তেকো চাইশ্রানিকো চাইশ্রা
হৌজ থেনখাং কয়ারক হোংনবা
মমা হাক্তক্তা ঙমখিদবা থৌরম
মাই হাক্তক্তা পংঙথোক্কে খন
ইমোম নকা তম্নকপনিদ তম্নকপনি।
ইমোম লাংলেন ইবেম্মা শনরেম্বী
চ্যেকশিল্লুকো চ্যেকশিল্লু ইমোম
মস্ত চাউবী চাশ্রানিকো চাইশ্রানি
ইকায় ইকি খঙদবীনিকো
পলেম নমাগী পাউত্তাকসে কাউগন্নকো
পায়মা তিল্লাং খয়োংনা খস্তোকো
য়ুমদাংবনা কৈকাবনি কাউফদোকো
খুকউ শেল্লু ইমোম খুকউ শেল্লু।

শনরেম্বী মকোক ঙাওরক্রে
কনাই রাবু তাগবা মহাক্রা
করম্বা পাউত্তাকখোনবু লৌগবা মহাক্রা।

হেলোই হেলোই মীহেলোই

পুরক্কনু নওগী হু য়ানবা লাঈজ ঈশিংদো
মতম হেনখ্রে হৌজিক্তি খওঙব্রা
হু পিথকপা য়াররোই ইমোমদা
থোংলগনু তবা চাক্তো নওনা অমুক
হু হাপ্পা লাঈজ ঈশিংনা ঈবী ওই।
হু তৈবা লেমলৈদো পুরক্লনু
উদববহৈ ঐখোয় খ্বায় লৈরিসে
খওলমদৰা নশক মৃন্না খওলবনে
উরমদবা নমাই অথাবদো শেংনা উববনে।
লোংপা য়ারবোই মায়খুম হা‌ংদোক্লো
হিংজনীংলবদি নওগী নগরাই মচাদো
থাদোক্লয়ো ইমোম লাংলেন শনবেস্বী
চেনজহৌবো য়াওনা লমদম তান্না।
শনবেস্বী ও থোবকলো
নহুম পোঙ্গেল শাবীবোই
লাই খুবাক খ্বিবোই।
শনরেস্বীও থোরকলো
নযুম শঙ্গাই শাবিগে
পুন্সী কায়দোং শেস্বীগে।
রাহয় খিবিকসে কোলোয়বম
পোইরৈ কৈদা মাওখিবা
খওহৌদে পলেম লাইরেস্বীদো।

শনরেম্বী খল্লকই পায়মন্নুং
চাইশ্রা পোকপী পলেম মমানা
ইমা হাক্তক্তা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রবা
ইহাকথক্তা চাইশ্রানা পাঙথোক্কে খন
মায়খুম উপ তাঙজা মায়থোঙ লোং
অহীং মুংখিল খাক্তথৈ
ঐঙোন্দা ওংলরিবা নৈররিবা
লাকচৈদা করিন্নুংগী মাগা নক্করুবা
খন্না খন্না পায়মা উনগোয়ন্নুং
য়াতাফম খঙদে লৈতাদে পুক্নীং
তোয়না তোয়না য়াওল্লি শনরেম্বী
অমরোমদা অমুক ওল্লি
অমরোমদা অমুক ওল্লি
ফম্লেনথক ওইখরে খাম্বীথক
খাম্বীথক্কী লেমলৈ ঙাগুমখ্রে
খাঙবা ঙম্লক্তরে শনরেম্বী
ব্রাখল পরিং তংখরে ফুম্বংনরে
হায়ফম চংফম তম্ফম খঙদরে।
ফুক হৌগং ফম্মুং ময়ায়দা
মখোঙ মখুৎ শ্রিং তিংথোক ফম
থুকউ অনী মখুৎ নাম্মা নাম্মনা পায়
তেংথারকই খোঞ্জেল ব্রাংনা—

হাঃ পলেম ইমা ইবেম্মা।
পলেম নঙবু সুংশিবী
অপোকপী নঙবু তাদব্বা
নমোম্মা কৌরিবা অসিকো পলেম
পায়মা পিবুক থেনবনা
রাখল ঙমথৈ য়োল্লবনা
চাইশ্রা হায়বী মাবু থাজরু
নমোম ঐদি রারেদা পলেম
নমোমগী য়াইবী থরায়দদি কল্লোগবা
পলেম নঙবু অপোকপী।
কপ্পী হীক হীক তেংথাহুনা।
মমোম লাংলেন শনরেম্বীগী
তেংথাখোল পলেম মমাগী
শমু নাকোংমক্তবু য়োখরেদো।
পলেম মমা অপোকপীদো
শমু খোঙকাপ য়াঙনা থাং
চেনশিল্লকই মমোমগী থাঙ্গা কাদা
লাংলেন মচাই কাংখল হায়গংলি
মমোমগী নাক্তা ফম্লহুনা য়েংজৈ
মমোম লাংলেন শনরেম্বীগী মায়থোঙদা।
শমু হকচাংদো মমোম লাংলেনগী
হুমাং ঈরীক্লা পুমলুপ লুপ

মিংস্না থম্বালস্থু পিরাংনা পূমথল থল
লৈরম্বদো উবদা পলেম মমানা
য়াব্রা পাউহংলকই—
ইমোম লাংলেন করি মতৌ কৌবনো
ইমাদি মাঙজরেদনা
ইমোম লাংলেন ইমাদি মাঙজরেদনা
কনানা ইমোমবু লাকচ খুত্থম চল্লবগে
শেংনা পাউদম্মু নমা ঐভোন্দা।
শনরেম্বীনা পাউখুমজৈ
মুংশিনা য়াব্বা পাউমেনজৈ পলেমদা—
পলেম ইমা ইবেম্মা মুংশিবী
নমোমনা করিবু হায়না পাউদম্নসিগে
ঙংলিবনিনে ঙংলিবা চাইথ্রানা
নমোনগী তুম্বা থুগাইরিবনে থুগাইবিবা।
মমোমগী য়ারাত্থু তাবদা
পলেম মমা ইবেম্মদো
অশাউ ভমথৈ লৈখিদেদো।
হায়রকই —
হে হে করি থোকই হায়দনা
তৌজশারিনো শারমথোক্কী মচাদো
মমা হাক্তক্তস্থু কয়া অমনো
নত্থু নিংথৌ নপ্না ইবুংঙো

তোলেন তোম্বা অতোম্বা
খাম্বী মৈগুম চাক্লা শারবা
শৌর লাঙ্গজ ঈশিংদা লুপ
নত নি·থৌগী য়াইবী থব্বায় লৌখিবা
ইমানা করম কাউরসিগে ইমোম
পলেম নমা ঐনা মতমত্থদা চাকখিবা
খাম্বী মৈরিলক্তা ঙৌনা খাঙখিবা।
ইমাগী মাঙনা তারুবা তৌবম্বা
হৌজ থেংথা কয়াবকনিদো
নমা ঐবু মাই মমানা ওৎখিবসে।
মশোক লাক চবান থাখিবদগী
মপান্সী লোইখিবনি মপান্সী কেমখিবনি।
ওঃ হনবা লৈত্তেদা কিদবোইকো
হৌজিক অমুক ইচা হাক্তুক্তসু—
মীথীবোং মীতম্বানগী মচাদো
কোবৌ মুমিৎ চুপ্পা ওৎপা পেন্দতুনা
ইন্নুং মুমিদাংফাও ওৎলিবনিনে ইচাবু
থোমলেন তুমখুনফাও হেক তালহন্দখৈ।
খঙগনিদো ওসিদি লৈরমসনুদো
চাইশ্রা হায়বী ওক্তবী শারমথোক্তো।

মমোম লাংলেন, মচাদা ওনশিন্দুনা—
ইমাগী ইমোম লাংলেন চরৈহন

ইমাগী ইবেম্মা সুংশিবী
খুদাং পিফম তৈরগম্মু ইবেম্মা
ব্বাখল লমফৈ শল্লুরম্নু, ব্বাক্লুরম্নু
ইমানা হিংলিডৈ ইচাবু লাকচগদবা
মরু ইহুন তমদ্রিদো তাইবংদা।
নপন পন্থৌ নোংখৌ শোবারেন
য়োইময়াই অঙানবা লৈরিদো
ইচাগী করি ব্বাংপা লৈতেনা
পন্থৌ মাগী মকাদা ইমা চংকে
ইমোমগী য়াব্বা নপাউ তমলুগে
খ্বাংজেংকি মচি লাংখরে
খোঙকাপ নৌরা থাংখরে
খোঙব্বাইখরে পলেম অপোকপীদো।

খোইয়ুম লাইনিংথৌ শোরারেন
নোঙ্গমলক্লে মমোমনাক্তা থুংঙরে
মমোমগী মাঙদা লেপ্লবেদো পন্থৌ
লাইনিংথৌনা পাউহংলকই মমোমদা—
ইমোম লাংলেন শনরেম্বী
ইপাগী ইবেম্মা সুংশিবী
ইমোম্না পলেম নমা পাউথারকপবু
করিথৌগীনো করিস্নুংগীনো

ইমোম লাংলেন চীংগোয়ু
ইমোমগী করি ননীং থুংদবা লৈবা
চিংথবা লৈতনা পাউদম্মু ইপাদা।

শনরেম্বী থুকউ শনশা লৈদা কুন পুনেমজে
নোংলেন খোংবগুম কপ্লদনা
পাউমেনজরকইদে। শনরেম্বী ইবেম্মনা—
পম্খৌ ইপা ইবুংঙো অপোকপা
নমোমদি ব্রারেদকো পম্খৌ
চাইশ্রা হায়বী ইশানৌসে
লমকেং লমহায়বী চন্নুনি
ব্রাঙাং কারাম চাউবীনি
পম্খৌ ব্রারকখোন তাদবীনি
পলেম য়ারা ইন্দবীনি।
চাইশ্রা হায়বী তৌঙম্বীসিনা
নমোম ঐবু ঙৎলেদা পম্খৌ।
পম্খৌনা ব্রারক চৈরাক থাবিদ্রবদি
নমোমদি তাইবংদা হিংবসে ব্রাগদৌরি
হিংবা ঙমলোইদৌরেনে অপোকপা
ইপন পম্খৌনা মালেমদা খোঙদারকইঙেসিদা
পম্খৌগী হৈনা নতুং ইনজহৌরগে অপোকপা
মমোমগী য়ারা মপাউদ্থু তাবদা

পাউথুমলকই নোংথৌ শোরারেন—
ইনফদে ইমোম, ইনফদে,
য়ারাহু কোলোয়হৈদে, হায়হৈদে, পলহৈদে
নওগীদি তাইবং থৌদা লোইদরিদো
ইমোম্মা পাওথোক্কদবা থৌরৈ কয়া
থৌদাং কয়া থৌগায় কয়া লৈরিদো
করিমুংগী পায়মা রাখল ফৈবনো।
রাখল পরীং চুম্না খল্লু
চাইশ্রা মাদি ইরেমখাক্ক পোকপা
ইশানৌ গাগী মমোম্মি হায়দনা
ইপানা য়েংবীবনিদো থাদোকপীবনিদো
মখুংশু খুংলাই ওইয়ু হায়দনা
নোংপোক চীংখৈ পাংবদা হৌরিবা
নোংমদোন খেংনা রাংলবা
তলা পামেল চাউথোইবা
সনা খোংনাং পাম্বীসিগী মতোন্দা
লীরুং অমগা তুম্বা অমগা থম্বীবনি।
মহাক্না কা হেল্লক্লবনিনা লম হেল্লক্লবনিনা
তৌহৈদবা থবক তৌরক্লবনিনা হায়বা
খুংলাইশিংহু ইপানা পুথিবা তারেদনা।
রাহয় খিবিক অসি কোলোয়রম
খোঙরায়খরে নোংথৌ শোরারেন

সনা খোংনাং মখোঙ তম
লেপখবে পম্থৌ অপোকপদো
সনা খোংনাং মখোঙতুদা।
অসুম অসুম ৱাংখৎখিবনা শোরারেল
লাইমিংথৌদো মাম্নখবে খোংনাংগা।
সনা খোংনাং পাম্বীতুদা য়ান্দুনা লৈবিবা
লীকং লৌথোক্লুনা থুদেকখবে
থমলিবা তুম্বা মচেৎ মচেৎ থুগায়খরে।

অসোমদদি কমদৌবি চাইশ্রাদো
তৌওম্বী চিম্থিবী মায়থাবী হিংচাবী
মাযখুম উপ্পী শকলোংপীদো।
লাউবকই মখোল হৌনা—
তেকলে তেকলে খ্বা" তেকলে
কায়বে কায়বে কোক কাযবে
কবিমুংগী লংজকবা ইবালনো।
মপুগী মিথৈ মিংলেন শোনগে নীবা
নংখিদে মায়খুম উপ্পী শকলোংপী
য়াইবী মথরায় মাওখিবনা হানখি।

শনবেম্বীও থোরকলো
নহুম পোঞ্জেন শাবীবোই
লাই খুবাক খুবীরোই।

হেলোই হেলোই মীহেলোই

শনরেম্বীও থোরকলো
নয়ুম শঙ্গাই শাম্বীগে
পুন্সী কায়দোং শেম্বীগে
থারো থারো শুরুং মকোন্দো থারো
মায়খুম উপ্পী শকলোংপীগী মকোন্দো ॥

২

তাইবং কৈথেল কারকপা

তাইবং কৈথেল কারকপা।
শমুদি মীয়াম্মা শরা শন
ঙরং ঙরং ঙংলে তাইবংপান
পূনিন নিংরে মালংপান।

তাইবং মীরক্তা য়াওরম্লে অমা
শামরক ঙামরক মীমরাম অমা
উবে মীয়াম্মা য়েংনবে মীয়াম্মা
মীরা শাবা করিনো করিনো হংনবক্রে।

মীমরাম অচুনা থিরি কনানো অমা
মীয়াম মীরক ফাও ফাওহুনা
কোয়থি খিরি কোয়েং য়েংলি
উবদা নাবুস্থু য়েংনবক্লি মীয়াম্মা।

অথঙবা কাঙবুনা হৌনা লাউনরক্লি
মী মরাম অমা য়াওরে, অরাংবী অনা লৈরে
লাওড্রাওবী খুনীং খুমাং ওন্নবী অনা লৈরে
হায়নরকই লাউনবকই. তাল্লু তাল্লু তাস্থোকউ

মাশু হন্দে চেন্না চেন্না থিরি
মানা থিরি মীশক্তো ফংদ্রি
চেনথিবনি নাম্থোক্তুনা মাই মখুংতগী
লাকচৈদা মখা চীকলি ক্রক ক্রক।

ফুজিল্লক্লে মীয়াম মাবু তম
খুনীং খুমাং ওন্নবীদো লোংপা ওমদরে
নাম্থোকপা ওমদরে চেনবা য়াদরে
মীয়াম্না নমথুনা ফারে পুল্লে মাবু।

হংলে মীয়াম্না--করিগী মীরক্তা চংওকপনো?
খুম্লে মানা- ঐহাক্কী নীপা মাওখবে
মখোও মখুয়া শ্রিং নাল্লবনি
ইনাক্তা থম্নীংহুনা ঈরৈনা লেকথোকপা।

মখুয়া পারবা মখোও থাংওমম্রবা
নীপাদো মীয়াম মীরকসিদা য়াওরবদি
মহাক্তো ঐগী ইপুরোহবনি পীবিরা
মাবু পীদ্রিমখৈদি ঐ চংলোই।

খুনীং খুমাং ওন্নবী লাওদ্রাওবী
শামরক ভামরক হিংচাবী অবাংবী

তাহবং মীগী মীরক্তা চগুলক্রবনিকো
খুকউ শেনবিয়ুকো অরাফম তাদনবা।

লাওদ্রোওবীগী শক্তম লৌরিবী কয়ামা
চংলিবনি সনা লমজাও য়াংবিথক
খুনেং কায়দোং অপাংবী তোং
চ্যেকশিনবিয়ু খুকউ শেনবিয়ু পাথৌখোয় ॥

লাইমাং পুবী হেলোই

মওগী রারীনিকো মওগী রারী
খোমলেন মওলানচাগী রারী ॥

—খুরুম খোঙথাংগী মখোল তায়
তেক তেক তেক মশক্তি উদে
থাংজিল্লক্রি মখোঙ অস্থুম অস্থুম
চঙশিল্লক্লী অস্থুম থাংজিল্লক্লী মখোঙ
খঙহৌদে চপ লেপ্পী ইমাঙদা
অমুক্কা উখিদ্রিবা মুপী অমা।
মাগী মশক্তো হেক উবদা
ফন চোংখংলি খংপ্রেক খং
কোকচাওবী ফুং তু খ্যাও।
ফুং ফুং কায় কোকচাউবী
খ্যাও খ্যাও চুংঙি তু খোঙদৈ তোনফাও
থক থক নীকই কিখিবনা
খোঙফন লেঙবা ওমখিদে ঐ।

মশক্তো মীশক নত্তে লাইশক্লি
মরায়বক তোংঙি পিস্তুম শোংঙি

মমিং অদো কোয়রাওনৈ কিজৈ
শরু পোল্লাংনি: য়াংঙংবিদো
শাজংনা খুকউঙুপ খুদ্রোনহাই।
মখোও খোঙদাদি খুকম খোঙদানি
চংশদা মখোও খুনীং লৈতাদে
মশম চরানৈ শমদোন ঙাঙঙি
মানা মমিংতো খানা য়েংঙকই
ঐবু য়োংকে হায়বা মাল্লি। -
মানা ঐঙোন্দা য়েংবহু উরগা
ঐহাক হুমাং অনম্নী কাংঙি
তুসে থ্যাও থ্যাও চুংঙি
লৱাইগী শম চপ চপ
ঙাইহাক মাস্থু ঐস্থু তুমিন
কবিমতা লেঙবা ঙমদ্রে ঐদি।
মাস্থু ঐস্থু রা অমতা ঙাঙনদে
ঙাইহাক অস্থমা লৈনববগী তুংদা
মখুং অনী অদো তিংথোবকই
মাই খুংশা তরা অদো ফন্দোকলহুনা
খুংশাশিং অদো অঙকপনি শরুঙাক্লা
মতোংনি হায়বা অমতা য়াঙদে।
শরু খুংতুনা ঐগী মায় মপাদা
কোয়না কোয়না উরু উরু লয়রগা

অয়াকপা খোঙেলনা মানা হায়—
য়েংঙো ঐঙোন্দা মুন্না য়েংঙো
তাও ঐ রা হায়গে মুন্না তাও।
অহুদৈ পোং মচা অমা চেৎনা
য়াম্না চেৎনা পুখোরকই মাই থরক্তগী
উৎলি ঐঙোন্দা পোং অহু পায়রতুনা
মানা হায়রকই—য়েংঙু উরবরা সে
হংঙোই মউন্না তিংবা পুং ঐগী পুং
মসে হেলোই অতোম্বী ঐগীদি
হীনি য়াইনি পাঙ্গলনি থৌনানি
অমতা ঙাইরবা খুৎলাইনি ঐগী
খাঙজুকো মসি খঙগদবনি নঙ।
পুংখোলসে মুন্না তাও ঐ য়ৈগে
শরু খুৎতুনা য়ৈ—তুং-তাং তুং-তাং
মাগী পুংগী পুংখোল অহু তাবদা
হান্নদৈ অমুক্তা হেন্না কিশিল্লকই ঐ
থক থক নীকই চেঙ খৈগুম নীকই।
মখা তানা মানা হায়থরকই—
খঙলবরা ঐনা পুং অসি য়ৈবদা
ঐগী হংঙোই মউলগী পুংসে য়ৈবদা
পুং অসিগী পুংখোল হেক তাবগা
নঙ লৈক্ষম চাক্ষম খঙলোইদৌনি

তাবগা ইনাক্ত হেক্তা চেন্নক্কি খণ্ডড়, ।
ঐনা হায়বা নণ্ডনা ইন্দ্রেদনা
অতু ওইরবদি হন্না হন্না য়ৈগনি পুং
লেপ্তুনা য়ৈগনি তুং-তাং তুং-তাং তুং-তাং
নণ্ডনা লমজাওদা পোমক্সি শেং
নশম ননা ইফা ফা, ইমোং মোং
হীকু মা মাতুনা কোয়চেন চেন
অঙাওবীগুম চংকনি, চংকনি অঙাওবীগুম
অতুগা ফংত্রিফাও ঐবু কোয়থি থিরকনি ।
য়াহয় খিবিক অসে হায়রম্লগা
খণ্ডহৌদে খায় মাণ্ডথোকখরে ঙুপীদো
মায়কৈ কদোম চংখিবা উহৌদে ।
ঐ কোকচাউবী ফুণ্ড ফুণ্ড কায়
লরাই শাংলি শেগাক কায়
ঐগী হকচাং হুমাংনা পুমলুপ
তিংদম য়াম্বে লৈমায়দা দোম
মিকপ খণ্ডথোক য়াখল খংলাক লাকপদা
ঐগী হকচাং উনমুক ঈংলমলে
ইশাঙ্গু হুমাংনা পুমচোং মহী চেল্লয়ে ।
করি মণ্ডলাগো করি মতৌনো খণ্ডবা ওমখিদে
থেল্লবা য়াখলনা ঐগী লাম্বা ফংখিদে
করিঙুংগী মণ্ডলুরবা ঐগী মণ্ডলান

মহুদা উথিবা মুপীদো শাথীখ্রেদা
মাগী মিংয়েং অহুনা খারিবা হৈনখিব্রে
পিক্তম অনী অহুনা শুকলিবা
মঁপা ময়ামহুনা জোম জোম
ওইরমনি শোয়দনা ওইরমনি অকোকশা
মতৌ অমনি, মওং অমনি, মতা অমনি
হও হও হও
তমহৈদে তমহৈদেকো
মকু-মওনি মকু-মও মকু-মও ॥

৪

নোংমদোন লাইরেম্মা পান্থোইবীনা নোঙ্গুমকং

নোংমা ইমুং নোংলেন অমদা
খোমলেন মঙলানচাদা উখিবা
থোদোক অমগী স্নারীনি লীরগে।

নোংমা কোরৌ হুমিং অমদা
ঙনদা ঙনবা অঙনবা
অয়ুক্কী য়েন্দা অহানবা
নোংপোক চীংথৈ ফিহুপ হুম্লকপা
শংবাম্লবা নোংমদোন অতিয় ফিজংদা
কোরৌ অঙানবা মানা য়োৌরক্লিঙৈ
অতিয়াগী অঙৌবা অপাইবা লৈচিল্লক্কে
খোঙদোই হুম্লকই লাইরেম্বী অমা
মালেম লৈদবু তম্মা
শমু খুদোনদি লৈতাদে।
ইমাঙমক্তদা চপ লেম্মী
মোমোন মায়থোঙ পুহুনা
কয়াগী মতীক পুক্লীং হুবা
কজবগী ঙমখৈ লৈতবা

পলেম মাগী শককমদো।
পলেমগী লৈজেং কিজোল
অঙৌবা কিজোল নমথাংনি
মুরবা শম্নাংনা লেংদোন চাই
পিগুম্না কামগী লীরুংনি
কুচুনা লৈহাউ লৈরেম্বী
ঙাঙ্রানবা চিনবান্দি অহেনবী
ব্বারক্কী তয়ালনা কৈদৌনি
মিংস্না থম্বালনা মুংশিন্নিবা
খোইরুম মোমোন তৌরহ্ননা
য়ান্না মপাউ মেল্লকই পলেম্না—
ইমোম নঙবু মুংওনবী
পলেম নমা ঐহাক্কা
কোরৌ নোংদোনথক্কা লৈওমদা
মালেম লৈদা কুম্নকপদি
ইমোম নঙুং লাংগীনি।
ইমাগী কোলোম্ন য়াম্নাসে
পায়মা খোয়জংনা তাউকো
তিন্নাং খোয়দানা ইম্নুকো।
ইমোম লাংলেন হেনজরকপী
ইচানা তৌজরুবা খুজিংদা
খুরৌ থাংলি খিবিকলে

কোকহল্লগে পাক্লহুংদা থন
ইচাদা শাউমেল্লমগে লার্কপাদি।
হৌখ্রবা থৌদোক অনগী ৱারীদি
নোংঅা কোয়ৌ অমদাই
তাইবং হেল্লোই অতোম্বা
লাইমু অমাংবা তোংবীবা
মশাবী মক্কুন্দী অরায়বা পুরক্ক
ইমোমগী শক্লায়নুংঙা চওখিবা
ইমানা য়েংবদী পেন্দোদো।
ইমোমগী লাইরেল থাঙজাদা
শামৈ খুদৈ ইরাওমিন্নবা
মশাবী অৱাহিবা য়াওন্না
ইমোমগী শেংঙ-লুরা য়াতাফম
মাংখোকখিবা মতৈ মনাওনা
থৌদোহ্ উবদা থম্মোয় কায়খি
ইমাগী থৱায় কয়াম শোকখি।
কোয়ৌ মুঙিং অচুদা ইমোমদি
লৈকায় থুনানখি করিমতা খওহৌদে
ইমানা মঙবু খঙজসন্ন থন
শামৈ মুনৈমগী মথাক অরেম্‌ অপা
চুপথোকক্লবা লমুক থল্লোই মঙু
ঙাপ্রম অত্তোবা মচেং মমাং ঙল্লা।

কালে মীংপর্করবা লীক্রী মচা অমা
থনম্বমি ইমোমগী মীংঙোলকাগী কাংখদা।
কোরৌ কুমিং অতুদা লাইমাং পুৰী
হেলোই অতোপ্পী অতুনা
ইমোমগী য়াত্তা ফয়েন শোক্লম্বনা
ইচানা অনম অহা চুখিবা দো
ইমোম লাংলেন করি খুংগী
অকাউ লৈবোল চনবনো?
ইমোমগী য়াংবী থৱায়তদি কলহৌগে
ইমা নোঙ্গুম্লকপনিদা ইমোম নোঙ্গুম্লকপনি
হেলোই অতোনবীগী চান্ন খোঙলোই
শাথিবা তুঙ্কচনবা লাইমু অমাংবৰু
তানঙমদা খোক্লদি কবিগুম্বদা
ইমোমগী পিবুকন্থুংদা চঙখিনি লাইমুদো
চঙখিবা কোরৌ কুমিং অতুদৈ
কুমজা তরেং থাবুম তরেং
কোরৌ শিংবুম তবেংনি গুবদা
ইমোমগী থৱায় মিরেন মাঙগনি
নখোয় নরীন অমতা য়াওরমলোই
হেলোই মনাই লাইমুনা চাথিহনা।
ইমৌমগী থৱায় মিরেন য়াওব্রবা
হৰ্কচাং পোল্লা অতুনা শিংগুম

কাইরেন থক্তা থাম্বী মৈরাইরকপা
শিংগুম থোগল তৌরিবশিংনা
উবদা শোন্নগনি থরায় শোক্না
মখোয় মরীন অমতা য়াওরমদ্রে।
পলেম অপোকপীনা তেংথা নাওইগনি
পলেম নমা ঐবু করম খাঙ্গে?
ইমোম য়াওদনা করম হিংঙ্গে?
ইমোমগী তিনকোক লাইকোক্লবা
নমা ঐনা পাউমেল্লমগেকো ইমোন।
ইচাবু পোকপী হোইয়াফবী শুনীংদবী
পলেম অপোকপীদা য়াব্রা কোলোয়উ
খঙ-হৈবা অমাইবা অমাইবী থিহল্লু
ইরাং চবান থাদোকহল্লু, খয়োম লাকথোকহল্লু
হেলোই অতোনবীনা পুরি লাইদো
লাইমুনি লাইমাংনি লাই তমথীবনি
লাইমাং মাবু তাম্থোকপত্তনা
ইমোমগী নুংঙাই য়াইফবা ওইগনি।
ইমোমবু হেলোই অতোম্বীনা থামায়রিবা
লাইমাং লাইমু অমাংবা থাজিল্লিবা
থাদোক্লম্বা কোরৌ নোংলেন নুমিৎতুদৈ
ইমোম্না চেনবা নতীক নয়ায়দো
মালেম লৈকোয় থুংনা ফাওগনি

তাইবং শাৎনা ঙানগনি
নোংমদোন পলেম নমা ইবেম্মা
নমা পাম্থোইবী ঐগী পাউমেননসে
কাউফদেকো ইমোম ইবেম্মা কাউফদেকো।
পাউমেল্লম্লগা ব্লাহৈ খিবিক অসে
নোংমদোন লাইরেম্বী শকহেনবী
পাম্থোইবীগী শাইগুন অশেংবী
অমুক অঙোবা লৈচিন গুনখরে
পাইখৎখরে নোংদোন অতিয়া তম।
লৈচিলক্পা তিনখ্রে লৈচিন গুনখ্রে
অঙোবা ফিজোল অঙোবা লৈচিল
অমতা ওইখ্রে অমতা ওইনা তিন্নখ্রে।

মিকপ খংথোক হেক থোক
মিং খংপাং হেক পাঙ
শোল্লি মপুগী মিংথৈ, নোংদম্বগী মিংথৈ।
ঙহাক তুমিন ফম্মি পায়মান্নুংদ খল্লি
করম্বা খোমলেন মঙলানচানো
খোইয়ুম কনাগী পাউতাকখোলনো
পায়মা ব্লাখলনা লাম্বা ফংখিদে।

মোংবা হনবা উম্মুংদা কুন্দো পরেং

নীংথিজরবা উম্মুংনি শুক্রবা
ফজরবা হৈরাং লৈরাং কয়া শাংলি
লৈখল কয়াই মুংশিরবা লৈনম
মুংশি লৈনম য়েল্লি মালংনা লিরি হুমহুনা
উমংনি মুংশি হৈনম লৈনমনা চূরবা
উমংয়াইদা লেঙশিল্লি মোংবাহনবা
লাইনিংথৌ অহন লাইরেল পাখংবা
মিংস্না থম্বাল চেজেং উইশিন ফমলি
রাখন হীবী কোন পায়মা উনগোয়মুং
উরি শংশংনা মবানয়াইদা থোকখিবা
কাউঙমত্রবা খোদোক কয়া কয়া ॥

নোংমা কোরৌ মুমিং অমদা থোকখি
অঙকপা থোদোক অমা মোংবা মশাইগোন
লাকখি শকহেনবী চমুরা অনী থমত্রাংনা
পায়রহুনা কুন্দো পরেং অমমম
খুরু খুদক কুন মালেম লৈতানা খুরুম্মী
অনীহুনা খুরুমলিবহু কনাদনো খঙদে।

ৱাংলেন পুঙ্গোয় ভাইহাক লৈরতুং
চঙ্গৱা অনীদো মায়োক্লা শংত্রিক য়েংনৈ
লৈ পরেংদো পায়নরিবা হুক্লখি
অমনা অমদা অমনা অমদা
য়েংনৈ অনীদো অদে শরী পন্দোল লোম্নখি
করি শরীনো, করি পন্দোলনো, কনামত্তা খণ্ডদে।

থৌদোক্তু উবদা মো বহনবা কুরু
খোঙদৈ তোন ফাও তু খ্যাও চুংখি
মাংলমচংতা থক থোকখিত্রিবা
অমদি ওইখিত্রিবা থৌদোক ওইবনা
নিং-না চেজেং উইশিন খাওখি
শোনখি মাঙলে মাঙলে মাঙলেদনা
সনা কংলৈবাক মাঙবা তারেনা
উইদবা উরেনা তৌইদবা তৌরেনা ।।
কুরু গো-বহনবা তাংজা লৈদা লুকখরে
ভাইহাক ৱাখল হীরী কোল্লুরে হায়রগা
চিঙ্গোইরকই য়াৱা খোঞ্জেল তপ্পা—
তাইবং তাইওন্নরে ঐগী মতম লোইরে
নোংমদোন লাইরৈবাক তমখিবনা ফরবরা
পায়মন্থুংদা খনবনা নোংমদোন তমদোরে
য়াৱা পাউমেন অমতং চিঙ্গোইরত্রবদি

হয়েং চারোন শুরোন্দা মোংবা ঐগী
মিংচৎ থীহৌরনি পায়মান্নুংদা খল্লদনা
মগোম লাংলেন ইবেম্মা পান্থোইবীদা
পাউমেল্লমগে য়াৱা চিঙ্গোই পাউথাখবে।

পান্থোইবী থীন্দে খোঙদোই হুল্লক্লে
মোংবা উন্নুং তম ইন্নুং নোংঙাল্লকপদা
পন্থৌবু থিরকই উন্নুং কোয়না কোয়না
উন্নুংদা লৈরমদবে ফমফমলাংদা ফম্লমদবে
কাইনথংদা উরকলে হিদেন তাকমদা
মো বহনবা কুকুনা লেপ্পুনা লৈবম্বদো
তাংজ মায়থোঙদি নোংপোক ওল্লদনা
নোংমদোন অতিয়া মালং তম্লদনা।
পান্থোইবী মপন পন্থো নাক্তা চঙশিল্লি
থুকউ শনশা লৈদা কুন পুনেনজৈ
লাইনিংথৌ ইবুঙো! পন্থৌ অপোকপা
পলেম ইমা ইবেম্মা নোংদোনলৈমানা
পন্থৌনাক্তা খোঙদোয়রু পন্থৌগা রাচানরু
চিঙ্গোই য়াৱা পাউমেন ফিগাও য়ারু
তাকপীরম্মীনে অপোকপা খোমলেন মওলান্দা
পলেম য়াথং ইন খোঙরাইরকপনি পন্থৌ।

ইমোম লাংলেন লীরগে তারো —
নোংমা কোরৌ নুমিৎ অমদা
মোংবা ঐগী উনুং ইরালয়াইসিদা
থোকখি থৌদোক অমা অঙকপা
থৌদোক অতুগী ব্রারীদি অসিনি
তারো ইমোম লীরগে মুন্না তারো।
নোংমা কোরৌদা মীওম্বী চনুরা অমনা
মীঙমদবী চনুরা তপচরবী অমবু প্নবগা
মোংবা ঐগী ইরান উনুংদা লাকখি
চনুরা অদো মীঙমদবীনি ঙাওববীনি
মীওম্বী চনুরা অতুনা থামায়খিতুনা।
অফ ফত্ত করিমতা খঙদ্রবীনি উদ্রবীনি
শুন্দা তাউবা কংশুম্নবীনি
লূদা চঙলবা লিলহাশুম্নবীনি
শুমহংয়াইনা শুমহংখ্রবী চনুরানি
হৈবোং মনুংগী তীলশুম লৈখ্রবীনি।
ব্রাখল লনফৈ চংখ্রবী চনুরাদো
মরাল লৈতনা মরাল লংজখি
চিংবীতুনা মাওংপী মীওম্বী অতুনা।
লঙজখি মরালদি অসিনী ইমোম
পনবা য়াদে পনফরোই
হায়বা য়াদে হায়ফরোই

তাইবং তাইওন্নবা থৌদোকনিনে
রাফম অসিবু ইমোমগী নফমলাংদা
নপন পম্মৌ ঐহাক্কা ইচিনসিনা
ফকম তম্নসিগেনে লাংলেনহন।
মীওম্বী অচুনা মীওমদবী চন্নরাবুহ্
নমথুনা কুন্দা পাবেং হুকহনবা উবদা
য়ারা খোঙ্গেল থোকপদি য়াদ্দা
ইথা চীক খাওহৌবা ইপানা
তাইবং তাইওন্নবা সিগুম্বা থবকসিনা
কংলৈবাক মাওবা তারে খন
তৌফম খওদ ইপাদি রানেদা
রাফম অসিমতং লাংলেন নকাদা
যারা চিঙ্গোয়রমগে খনবনা পায়মন্নুং
ইমোম লাংলেন নকা তম
নমা নোংদোন লৈনা পাউথাখিবনি;
হয়েং তুংলমচংকী মালেম তাইবংদা
রাওম চাদোন শুদে ন্নংদা থোক্তনবা
সিগুম্বা থৌদোকসে অমুকহন
ইমোম্না কোইরিবা কংলৈবাকনিদো
ইমোম নঙোন্দা রাফমসিমতং শিন্নরমগে
পায়মান্নুংদা তিন্নাং খয়োংনা খনবনি
ইমোম্না নমুপোং ওইবা তাইবংদা

লেপ্পা লৈতা মীপুম্নথুং পাউজেল্লুকো।
পনবা য়াদে পনফরোই
ঙাঙবা য়াদে ঙাঙফরোই
তৌহৈদব্বা থবক তৌফরোই
নমুপোং ওইনা তাইবংদা হীংনিংলবদি
তাইবং লোনচৎ শাজৎ কায়ফরোই
পাউমেল্লম্মুকো নরুপ নপিজা খুদিংদা
নপন পম্মৌ ঐগী য়াব্রা পাউমেনসে।
ব্রাহয় খিবিক অসে পাউমেনল্লম্লগা
মোংবাহনবা পম্মৌ অহন কুরুদো
তুরেল লাঈজন্নুংদা লেঙথখরে
হকচাং শেংদোকপা লোইখরে
তোর্ব্বান তম কাখৎলকলে কুরু
চরৈ ফিশেং হোংখরে
মমোম লাংলেন পাম্মোইবীদা
ইপা খোঙব্রাইরগে হায়রম্লগা
নোংমদোন অতিয়া তম পাইখৎখরে
মোংবা হনবা কুরু অহনদো।

মোংবাহনবা কুরু অহন্না
ব্রাইরা খোঙকাপ হুনখ্রতুং
ঙাইহাক পুঙ্গোয় লৈরতুং

হেলোই হেলোই মীহেলোই

মোংবা উম্মুংদা অকনবা খাঙ্গী মৈহৌরকই
নোংমদোন তম্না মৈরি হাইগৎলকই
ঙুরুং ঙুরুং প্রোক-প্রোক জ্বায় জ্বায়
মৈচাক মৈখোললনা পুম্নিল নিল্লি উমংদো
মশীং থীঙমদা কুন্দো পবেং পরেং
পাইখৎলি চাকথেকই মৈবিলক্তা।
মিকুপ্তা তাঙ্গোয় ওন ওন্দুনা তারকই
মালেম লৈমায় থক্তা তাবকই
মিকুপ খরগী মনুংদা চাউববা
মোংবা হনবা উমংদো উং ওনখি।
ঙমখৈ লৈতা উম্নুংদো শুক্ক মম্লম্বা
পাক চাউববা হাঙলবা লমহাং ওইখিদো।

কবি কবস্বা মঙলানচানো
করম্বা খোইয়ুম মাগী নোংদমখোঙোকো।

(৬)

হেলোইনা নুপী চেনবা

নুপী চেনখ্রে নুপী চেনখ্রে
হো কনানো ? কদায়দনো ? কনাদনো ?
লৈশাবী অমা লৈশাবী । হেলোইদা হেলোইদা ।
অচম্ববাও ? ফাগিবাও ?
অচুম্বনে অচুম্বা, লৈকায় শরা শল্লবনে শল্লবা
রা রা লাউনববনে, অমুক্তোইবা লোইনরবনে ।
কৈদৌঙৈ চেনখ্রিবনোনে হায়বিসিবো ?
নহান ঙবাং মথং নহান ।
থাজদেদা অতো নঙনা হায়বিসিবো ।
হেলোইনা নুপী চেনবা হৌনদেদা
হেলোইনা নুপা চেনখ্রে হায়দি তাবা ময়াইদো
তানী দেদা ওইখোক্তবা রাবু করিনোদা ।
অওইবনিনে থাজৌনে অওইবনে অওইবা
তাইবং তাইওন্নরবা মতমসিদবো নুপীদো চেনখ্রবনে

নুপীতুদি কনাদা থয়রি হায়গে ?
হেলোই অতোম্বীগী য়ুমদা ।
কমদৌনা কদোমদগী ?

থাজদ্রগা য়েংঙুচো নোংমা চত্তুনা
লৈরমগনিয়ে মুপীদো হেলোই অতোম্বীগা।

ঙাইখো হেলোইসিবো কবি করিদি চাবগে?
হেলোইবো, হেলোইদি মীগী মখোয় মরীন,
তিন-কাং কৌজেং-হারৌ, অপুম-অশা,
হঙোই, তিনবুন নাপুল তিম্থ্রাক্কা চাবনে
তিম্থ্রাক্তি য়াম পাম চাই হায়বনি।
মুপীতুদি করি চারমনি হেলোই ময়ুমদা
চাকককা পীজরমগদ্রা হায়মি?
হেলোইদা ময়ুম পাল্লবদি কৈদৌনি
হেলোইনা চাবমখৈ মাস্তু চাবা তাবেদনা।
করিবু পীজরমদগে হায়মি মুপীতুদা
ঐ য়াম খঙনীংঙে হায়বা?

মুপীদো চেনগদবৈ লাংখৎপসে কুইরমাল্লে
তিম্থ্রাক ময়োম ময়োম য়োম্লগা
লীতুনা থম্বসে য়াম য়ামখ্রে হায়
কাজাও অমবু থল্লি হায়নৈনে।
লৈহৌরাদা য়োম্লগা কিশি কি কিতুনা
মরোল মরোল ময়োম ময়োম থম্মী হায়নে
অতুগনে নোংমদনে মুপীতুদনে
ময়োম অমমমকা পীজৈ হায়রি পোৎনি।

তুকচরেদা ঐরি তারবদা ওনিংলক্রেবো
ওক ওক হো ও ওক ওরেদনা।
মুপীতুদি তিনথ্রোকনি হায় খঙদজাংলাও
তিনথ্রোকপু কমহাইনা চারিনোইমী
তাইবংমীনবো শা উচেকস্তু নত্তনা।

হে নঙ খঙপোং নত্তেসে মদো
মুপীতুনদি তিনথ্রোক ওই উদেয়ে
লৈহৌরাদা য়োমলিবাময়োমদো
ফজরবা লুপাগী পুথম তেঙ্গোংতা হাপ্পগুম উরিবা
উবিবনিনে মম্মিংতুদা উরিবা সিবু ওক্রা হায়মি
অতুগনে তিনথ্রোক মরী মরী অতুননে
ব্রহ্মারোমদৈ পুথোরকপা নাং নাং লাউবা
মরী মরী য়ান্নবা করি হায়য়ে
চৌ চৌ হায়ব্রা করিনো য়াম হাউবদো
অতু ওইনা উহল্লিবনে উহল্লিবা খঙলেদনা।

ইস পাম্মুখরেদা শরিশো !
মুপীতুদি মাওজরেদনা মাওজরেইবা।

মাওজরবনে মাওজরবা মাওজরবা।
হোইদা মাওজসন্নু কৈদৌয়েইগে

লবুক্তগী থরোই অহাম্বা অমা
কায়ত্না মাঙখিবগুম্বনি মাঙজন্নু
মাগুম্বা অমা মাঙখিববো
কৈদৌই হায়রিনো ?

(৭)

শোরেলগী কর্ফিউ

তারবরাও ?
করিবো ?
কর্ফিউ, কর্ফিউ, কর্ফিউ জারিখ্রে ।
কদায়দনো, করি লমদনো, কৈদৌবগীনো ?
নোংপোক পাম্ভোইবীগী এলাকাদনে
কৈদৌবগীনো হায়বত্তুদি ঐ খঙদে ।
কনানা তৌরিনো, কৈদৌঙৈদগীনো
শোরেলতোন্না তৌরিবনে তৌরিব্বা
জান্নুৱারী তাং অমদগীনি হায়ে ।
করিগীনি হায়গে নঙ কৈমতা তাদ্রাও ?
মীনা হায়নবদি শোনোদো
থা অমা হোলিউদতা চৎলুই হায়এ
মত্তুদা শোরেলতোন্দি য়াওহৌদব্বা ।
অত্তুদি মা য়াম শাওরম্মনি ।
শাওয়ে মত্তুগী শাউমনখ্রত্নুনা চাকমনখ্রত্নুনা
শোনো ফানবা শোনো চৎথোক্তনব্বা
কর্ফিয়ু জারিবনি হায়না ঙাংনৈনে ।
কদায়দগী কদায়ফাওবা জারিরিজাৎনোনে ?

ময়ুমদগী সুপয়া চৎথোকপা য়াদে হায়নে
কোম্থোংফাও থোকপা য়াদে হায়
পুথ্রিফাওকাদি য়ামাল্লে ।
পুং কুনমরি জাবিরজাংলাও ?
মরক্তা খবা কোমথোকহল্লি হায় ।
পুং কয়াদগী কয়াফাও কোমথোকহল্লিবা ?
অয়ুক্কী পুং তরামাথোই মখাইদগীনা
হুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং অমা মখায়ফাও
পুং অনীগী মতম কোমথোকহনবা ।
অতুগনে শোবেলতোন্না মন্ত্র অমসু পায়বিমাল্লে
মতু তত্তনা শোল্লি হায়বিয়ে ।
করি মন্ত্রনো অতুদি ?
খঙদে, মবোলদি সুম হায়মাল্লে
"ঐনা হেনববা, মানা হেনবরা
মিনিট অমা শোয়নবা যাদে
পুংশিং চপ চপ চানা হল্লকদবনি
নত্রবদি নথরাই মাঙলে খঙজৌ ।"
অতুননে হায়য়ে শোনোনা কিতুনা, থরায় মাঙনীংদতুনা
ঘরী ঙহাক লৈতনা য়েংলিদে। ।
শোনোদি শোবেনতোনবু য়াম কি জাং ওইরে ।
ঙাইখো কফিয়ু কোমথোকলিঁডৈ মতমদা
শোনোবুদি উনবা ফংগদ্রাও ?

কংগানি কন্নিগী কংদনেইগে
কফিয়্ কোমথোকলিংউ মতমদো
অতুদা হেক চংলো উননীংলদি।
কোমথোকলিবা মতম অতুদগীনে
সেকেণ্ড অমা চোনথবা য়াদে হায়বনি
সেকেণ্ড অমা হেনগ্রবদিনে শোনো শ্বায়।
অচুম্বরনে মরূপ্পা হায়রিসিবো ?
অচুম্বনে অচুম্বা থাজদ্রগা নোংমা
নখোঙনা থোংনা হেক চংতুনা য়েংঙ্চো।

মরূপ ঐ চংলুরে উনরুরে
কফিয়্ কোকথোকপা মতমদা
মাগা ঐগা সুম ঝারী শারম্মে হায়বা
অদৈ পুং অমা মখায় হেক তাবদা
মা থুদাং থক হাইগংলি
ঘরী তনয়েং মাঙখি শ্বায়
চুম্মিনহৈ মরূপ নঙনা হায়বদো।
মাদি মী অমা ওইদ্রেদনা
কোঞ্জেং কোকফাই ওদ্রে
মহী মন্নাই চল্লদ্রে হায়মি
মী ওইদ্রেদনা মা মী ওইদ্রে
করি অমুক হায়নি, করিনোবে

মরেংবান্দা তোংহুনা থোরে হায়বনি
ওস্থোকপা মতৌনিদকো পাম্মুবিথ্রেদা।

নহান মচিনঙৈদগী হায়দ্রাও ঐবো
মচিন্নদি মা ঙাঙজশা'রবো হায়বা
—ঐদি মীখা পোনবা হৈনদে
মীগী খাদাং মখা থাবা পামদে, থানীংদে
অহুনা ঙসিফাও মীপান তা্দনা লৈবিসীনি।
মচিন কয়া থীখ্রনোইমি ঙক্রো?
হৌজিক্তি তৌবি্স কবিনোইবা লোইবেনে
অমহুনা উক উক লযবে হায়বা
মতৌ অমনি মকোকপু ঙাওবম্মনিনে।
মকোপুদি ঙাওবদনা নহাল অহীং অমা
ফমুং ময়াযদা ফমহুনা তেথাহুনা
হো সনামতুম, হো শোবেন তোন
নঙদি ঐগী থব্রায়নে থরায়
নঙ উদ্রদি ঐ লৈবা ঙমদেয়ে।
হায়হুনা ও খোংনা তেংথা নাওইনা
কপহৌই হায়নৈনে নীনা।
অহুদি মামুক তোনবা জীব
তাইবং অসিদা লৈত্রেদনা।
অং লৈত্রবনি।

থা মরীগী মতুংদা মরূপ অনী অমুক উনৈ
হান্নগী ব্রারী মখা শমথৈ, হংঙি অমনা অমতুদা
শোনোগী কফিয়ু লৌথোক্লিবরাও ?
লৌথোক্লি থা মঙা হায়রকলে
ঙসি হয়েংসিগী মন্নুংদা হান্নগীহুদৈ
পুং অমগা হেন্না কোমথোকহল্লগনি
হায়না তায় হুকুমক্তি জারিত্রিমাল্ল ।
অতুমহাই অতুম তৌরবদি ব্রারনিহৈ
হৌজিপু শোনোহুবু কমদৌরিবগে
করিস্থু হোংবা নৈতেদা হান্নে হান্নে অতুমঙাইদা

মথংগী মুমিংতা অমুক্কা উনৈ অনীদো
হংনৈ মরূপ কমদৌরে করি পাউ তায় ।
কফিয়ু খরগা কোমথোক্লে
হান্নদৈ পুং অমগা হেন্না হুকুম জারিখরে ।
ওর্দর উরকপরাও ?
উরকই ।

ঙমদি ঙমখ্রেদা অমদো
শোরেলতোন হেলোই অতোম্বীদো ।
হে কৈস্থু লৈ ব্রা নত্তেসে
অমতুনা তীল ওইতুনা তৌবনি

ঐঙোন্দবু মা ঙমগত্রাও হায়োবা ?
অত্তবুদি ঐশু মুন্না থঙিন্দা
নঙবুদি মঙোন্দত্তুম করফিয় জাগ্নিশনবা
ঙম্বা জাংনি হায়বা খঙঙেইবা।
চুম্মে য়াম লায় জাংনি
থোং মান্নদে, লেংবা চানদে, পাঙ্গল মান্নদে
শয়েং হায়ননীংদে পাম্বোম ঙান্ননীংদে
লাম্বা তৌননীংদে হায় য়েংবিবনে।
শোরেল মানা কৈদৌঙ রনেইগে
নমু পোং ওইবা তাইবং মী ঐঙোন্দবো।
রাহৈ মচা অমতংগী রাকমনে
মিকুপ অমখক্তংগী রানে য়াম লাই জাংনি
মিংনা কুপ্পদা লোইশিনবিগে হায়বা
লেংমান্নদে হায় থাদোকপীবনে থাদোকপীবা
মরল্লাই শিঙনিয়ে শিজসন্নু
মত্তুনা হেন্না ফত্রাও ?
ফৈ মত্তুমক্কি ঐনা পামলিবসু।

মীনিল মখোল তাখিদরে
উন রাইমুম চিকখরে
মলয়া নুংশিং লেপখরে
নোংমৈ মখোল তাখিদরে।

শোরেনতোন ভূম হোৎচিনখি মীয়াম
মখনাও মেৎখি মশম যোইখি
নোরোঙ্কী কোমদা ইস্থখি মঙকশম পায়হুনা
তাখি ঙবোং তাউই লুফেং লুফেং।
আঃ ওম্থোকপনিদা শোরেলতোন
চিংথৎপীগে হায়ববুনে ইবেম্মা
নশাদে পায়ফম লৈত্তেনেহৈ
নমায় নথুং নশা অমাংবা ঙাক্তা
ইতৈহেক তৈরেদো কদায়দা পায়হুনা
করম্না চিংথৎকনি য়ারোগুকো।
শোরেলতোন উপায় লৈতে
নরমচৎননি শাউবা য়াদেহৈ॥

নোংজাবী অনীনা শাইখিবদা

[illegible] [illegible] মীয়ামী অকোকশাগা
[illegible] [illegible] থৈবী [illegible] [illegible]মদবীগা
[illegible] [illegible] [illegible] চায় [illegible] চায়
[illegible] [illegible] [illegible] হায়নৈ
[illegible] [illegible] ওইরিগনরাঙ ?
চুমলমদি মখোয়না হৈরবা, [illegible]ক লৈতবনি।
[illegible] খারিনি হায়রগা [illegible]কখ্রবনি
মতুংদি ইকো [illegible] [illegible] অনীদো।

নোংমা য়েংঙু সিদো করি হায়রবগে ?
থৈনে য়েংঙু সিনে য়েংনীংঙি ঐস্মু
মখোয় অনীগী য়ুম্বানদো।
ঐস্মু মখোয় য়ুম্বান অনৌবদো য়েংনীংবনি।

য়েনখা পাউদাবা খোংবাল লালুম্বা
অনী অদো নোংমা চৎলে অকোকশাগীদা
খোঙ্গাল ময়াদগী অতুম উবা ফংলে
অনীনা কাংখল অশংবা ফিজং অশংবা
ফম্লেন নাকী স্প্রিন অশংবা
চেন পানবা জিরি জিরি চেনবা স্প্রিন।

লাক্লেরি কাংলল মুপা শাই
কয়ুং মনীচলা ময়োংবা শাই
লাইমু পুকী [illegible]
জোংলকী কারং কীল
অনীদো কল্লি কল্লেনথক থাত্রাংনা
মথোঙ য়াম্থি য়াম্থি
পায়রহুনা মান মচা অমম
মীওম্বীনা হায়রকই নৈয়েং থরা ফাইরপা
থরগা হৈরকখোদনা লৈত্রবরা ?
থানাইত্রবী মীওমদবী অহুনা
হয় হিদাক্তো চোরোক চোরোক
মীওম্বীনা অমুক হংলকই—ওক্লবরা নওবো ?
নওম্মু কেগাম অমতংগা থকখোদনা ।
মীওমদবী তীল অহুনা শোনথাংননা থুমজৈ
মারিনবা য়াওত্রবদি থকপা হৈনদয়ে ঐদি ।
অহুদি কাংথদবী য়েন হাতম অমা
চিংথোরকউদনা অহুগা থাংজৌহুগা ঐডোন্দা পীয়ু ।
অমনা য়েনগা থাংজৌহুগা পী ।
মীওম্বীদো থাঙজৌ তাপ পায়খংলি
শাদন থাহুনা থবং থবং
য়েন মওক তুবং তুবং ঈনা ক্রি ক্রি
অতু তনকোই কোই মজিন তনখোক খোক

হেলোই হেলোই মীহেলোই

মকক মকক দক দক সে সে পী
স্তোব থাগৎলো অতুগা ভৌরো।
কিনা কিনা ভৌই জী জী
মীভমদবী মীশোন্না য়েংতুনা ফল্লপ ফল্লপ।

অতুদৈগীদি কমদোগেবু ঙসাই অহানবদনে
য়েন মঙক ককপা মংমদা
য়েনদগী কাপথোকখিবা ঈদো অতুনা
অপঙবী অতুনা নুংশিজনা লাৎচরিবা
ইমা পান্থোইবীগী শমু হকচাংদো
ঈনা পুমলুপ হেক লুপ.লদো
মতু উবদা মীভমদবী তেংথাতুদা কপ্লে—
হা পলেম ইমা ইবেন্মা নুংশিবী
পলেম নঙবুনে অপোকপী
নমোম্থু ব্রায়োগন্থকো পলেম
হিংচাবী মীঙম্বী অসিনা তৌরিনি
নমোম ঐনা নংঙকো পলেম
নমোমদি লানজদবনিকো অপোকপী।
মীভমদবীগী ব্রাহৈশিং অতু তাবদা
খরা শাউরপ তৌনা মীভম্বীনা
মমিৎ খানা য়েংলাতুনা হায়রকই—
নঙনা চানবা ককপীবদা শোয়খিবনিদনা।

ব্লাহয় অত্থ তাবদা ইমা পাম্বোইবীদো
শাউবনা থাম্বী মৈহৌরে থাম্বা য়াদ্রে
শাউমনখিত্থনা শাপ তৌরক্লে—
করি হায়না তৌরকই শাপতো
হায় হায় মীওম্বী হায়বী হিংচাবী
মীওৎপী মীশা চাবী মিন্নু নম্বী
শোরেল নওবুনে অকোকশা
শরোই ওারোই পুমনম নম্বী
শারমচৎনা নরমচৎ ওইবী নওদিনে
নথব্রাইদো নথব্রাই মচাদো
শিঙম নাঙমদনা মাঙবা ওইয়ুকো ।
মীওমদবী লানজদবী মকাদা ওৎপদি
খাওদেক খাওমাঙনৌকো শোরেল নও
ঈঙাং পাক্তকনৌকো ঈমু পামম্ফেমনৌকো
নমা ঐগী শরীসে মাঙফরোইকো
কোরৌ নোংদম্নু কাফরোই
মালেম লৈদম্নু তাফরোই
লেপ্নমক পানবা ওইসন্নুহে
মীওৎপী শারোই ওারোই অকোকশা ।

ইমা পাম্বোইবীগী কোলোয় য়াব্রাসি তাবদৈ
হেলোই অতোনবী শোরেনতোন

কৈফম খঙখিদে উরু উরু কৈরক্লগা
মাল্লেম কৈমায়থক্তা তুথি
ময়া কোল্লোল কারকই
শ্বর ময়পী হোল্লকই শাংনা শাংনা
ল্লেংলুরদা মশা উনমুক ঈংজয়ে।
শাংনা শাংনা হোনবা শ্বরনা চিংথোকখ্রমাল্লে
শোরেলতোনগী থরাই মঙাদো।

শোরেলতোনগী থরাই মঙাদো ওইবা তায়
নহাল থাসি হুমিংতা
তুলিহল এয়ারপোর্টতা নোংজাবী অনীথক
তোপ-তোপ মরিং-মরাং
পাইখিবদো ঙাংশং ঙাংনা ॥

(৯)

খালাসীগী তলাবী

হায় হায় তারিবরা ইবেম্মা
তলাবী হায়বী নঙবুনে
ঙস্থোক্না শাখীখ্রেন্দকো নঙসে
করিগীনো হায়বা নঙনা
ওইদবা পারেং লেং ঙাওলিবা অসিবো ।
নপুন্সী চুম্না অওইবা হায়বদো
ঙাঙবা হৈনররোইদবা মীশক্ল নঙবো ।

তলাবী ঐদি অওইবতা ঙাংঙিনা
ওইদবা অমুক্তবু পোকপদগী ঙাঙজরকখিত্রি
নোংয়োক কেক তাগে সত্য বিজ্ঞা সাখী ।
খালাসীগা লাকমিন্নৈ হায় তারদি
নঙনন্দি ঐবু থীনা থৌনি চঙহল্লোই ।
চঙহন্নবগীদমক ওইদবা ময়ামদো ঙাঙলিবনে
শাগৎলিবনিনে ব্রানা শাগৎচত্রপোংনি ।

চুম্মীহৈ ব্রাফম অতুমদি অতো খালাসীনা
তলাবী লোয়নরক্লবদি তলাবী স্তোব

ফুলস্তোব পুন্সীগী ওইনা স্তোব
চৈখৈ চিংলগদবা চৈখৈ ।

অচুননে ঐনা লান্না লান্না
ওন্ন-তৈনা ওন্ন তৈনা ভাঙলিবদো
ওইদবনা ঐগীদি অওইবনে অওইবা ।
লাকপাবুদি লাকমিন্নেয়ে মাগা
মাবু থাদোকপদি ঐদি ভম্মরোইবো
কমদোজো হায়রিবনো তাকপীরো ।
মহাক্তি ঐগী শমক্রুনে শমক্রু
হেলোই মানা নম্বীবা শমক্রু
নাথাংদা থুংহনবা শমক্রুদো
থরাই হকচাং য়াওনা পামজরুবা শমক্রুদো ঐনা

নাথাংদা অচৌবা শমক্রু অমা
হন্দক্তা থুংলকই নৌনা থুংলকই
হায়নৈ ময়াম্না শোন্নেয়ে খ্বাইনা
লুম্বদি লুমমনিহৈ অনৌবনিনা ভারীদা ।
হেলোই অতোম্বী খালাসীনা তালাবীদা
লমন খুমলকপগী নমলকপা শমক্রুনা
লুমধরকপবু লুমজসন্নু খাংঙু খাংঙু
খাওবা কল্লগা ফমেন ফংবনে

শায়বা কল্লগা ওইনমহনে কাউগনো ।
থীবদি থীরেবো শাথীনা থীরে
য়েংবা য়াদ্রে হায়বা নশক্তো
নমায়দো ইথা থাগৎলে হান্নগী শক্তো মাঙপ্রে
রাশীদো য়াওদ্রে রাশী মচাদো
লৈতেংদো নওগী মায়গোওগী লৈতেংদো
পাম্মুখ্রেদা পাম্মুবীদা রাশী মচাদো ।
থালাসীগী তলাবীদো রারম্মনি নওদি
নকোক নমৈ খওলম্লরোইনে হা ?
নকোক অদো ডাওরম্মনি হায়বা ।
অতুনা ওইরিনি নহান মুদাং অনা
ফম্মাংদা থরো কাওক্রম ওনবদো ।
মতম অতুদা তেংথাবদা য়াদ্রাও
অতুদৈ ফমুং ময়ায়দা ফম্লগা
—হো সনা মতুম হায়না তেংথাবগুম ।

হো থালাসী নওগী তলাবীদা
ঐ মাঙজরে ঐগী পুন্সী লোইরে
থৌনাও তংখরে থৌনাও তেংবা য়াদরে
লৈয়েং ফাইরে খোঞ্জেল থোক্তরে
খোম্থোক মাওথরে রাওাং য়াদ্রে ।
থুং তেকলে, খোঙ য়াদ্রে,

[illegible]
জগোয় শাস্ত্র, [illegible] পোৎথারে ঐ।
স্থম্না তেংথাইবা [illegible] নত্রু [illegible]?

কদাইদগী [illegible]
[illegible] ঐগবু [illegible]
নোংপোকা-নোংচুপকা, [illegible]
মৈরবগী [illegible] চিংথৈপা [illegible] ইজিগবো
স্মুক য়াম্না [illegible] লাকপু [illegible]
খালাস্লীবা [illegible]বো।
লৈয়েং [illegible]বা
নঙগী [illegible]
মাইক্রো[illegible] নত্তবা।
মাদি উতাংবা[illegible] উতাংবী
[illegible]
ফোইদংনবা পাঙ্গলস্থু লৈজত্রে ঐগীদি
নপচরসন্থু হনাক মপোক অসিনগীদি
নহাল মপোক্তা ঐনা তৌজরকপা
কর্মগী ফলমে মহয়নে ঐগী
মাগী নীংবতা থুংহল্লগে পোজরসন্থু মা
থাওলগে ঐ য়ামবস্থু য়াবা থাওলগে।
চুম্মি মানা তৌরিদি লমন থুম্বিবদি

মচিনচঙবা মাগী চোঙলং অহানবদা
মথং মমা চিরুন তৌরি ঐনা কাউত্রি হৌজিকসু
খঙতি ঐসু মচুপী লমন থুমজিনবনি মানা
শুইনীংবা অমা ওইজরগনু
মাঙজগ্রগে ঐ মাঙজগ্রগে
ময়ামগী নীংবা থুংহনব। ওমলবা ঐ।

মঙ.ঙদা অঙুয়ুদি মুমা থজগুদা
ন.পোক্ক মীরকপা হাময়ুনি মঙলে।
নঙনা মাঙলবু জ মাঙজগোও অহনব
পাম্মুই হায়বা মঙগী নঙন ময়ামসো
চেংতি চেককশিল্লিনে থাদোকলবে মানা
মিকুপ অমাতাও খজেলক্কে হায়বা।
নোংমমোন গাক্কদু মাকুপা উমরকপ
মানা নঙবু গ্রহনগুম উমলকইসে থাদোক্তি্‌সে
চহী কুমজা কয়ামুক্তি ওজে হা?

শোক হমকুতরা মঙামগীনে, নীলা মকম
অমদা থেংনথিয়ে মাগা ঐগা
মুমিং অহুদগীনে মানা কাকথেগুম
লামথংনক্লগা হেক্তা নগশিনকইসে।
নকাপীমা ঐবু অমাবী তৌরকইসে

মমায়ক্কাদি থাগ্রপোৎনি ইকায় খঙদেরে
খাঙবনা কল্লিবা অঙম্না তাল্লিবা মহানি
মাগী মশাদো অৱাবা কৈমত্তা খঙদেইমি
চোকথবা লৈত্তে আইন কনখ্রেবো
মাদি ঐগীনিবু হায়রবদি হনবা লৈতে
য়েংঙোসে, তাউ হায়বা, ঐ তমগে—
মাননে মোরা অতেকপী অমদা
নোং ফুং ঙানবদৈ মুমিং অমা তাবফাও
ঐগী থোঙজীন ময়াদা ফমডুনা
ঐনা লাক্কদবা লম্বীদ য়েংলগা
ঐবু ঙাইবা ঙম্মে হায়বা মাদি
নঙগুম্বা ঙাইঙমদবা মী নত্তে হায়বা
হায়নরিবনি কবিনোনে লোইনা থংনরিবনি
খালাসীগী তলাবীসিদি কনখ্রেদা হায়না।

রাফমসিবু নঙবু হান্নদৈ তাদজাৎলাও ?
খঙদবরাও, শুকখঙদজাৎলাও হায়বা।
তাববুদি তাইয়ে ঐস্ম তাদবদি নত্তেদা
অতুদা অস্থক তৌরমনি হায়দি থাজরুদবা
ঐনদি মাবু তাইবং মী অমা ওইনা খল্লুই
লাইফত্তবা লাইমু তম্মলাইগি শাদোংনি
লাইতোংবী লাইমু শান্নবী হেল্লোইনি

হায়দি কনা খঙদি ঐঙোঙ্গা কনানস্থু তাক্লে।
হৌজিকপুদি খঙলে মীনা হায়নখদো থাজরে
অশেংনা ইমিংসিনা উরকান অসিদা।

তো অহুনি খলাসীগী তলাবী
খালাসীগী তলাবী হায়না ময়াম্না ভাঙনরিসে।
চুম্মী খালাসীগী তলাবী হায়নব্রিসে কনথ্রজাংনি
মৈ ঈশিং মুংশিং চঙদে মঙোন্দা
শাগৈ নাতৈ মরূপ মপাং থিদে
ইচিন ইনাও ইবুং ইপুব্রা খঙদে
মরী মতা ইপা ইতোল খাক্লে
তুম্না মাঙলবনে লোইনা চংখ্রবনে।
সনা-লুপা, লীক-কোল, মাল-চাং
ইরোন ইরাং তাক্লবনে তাক্লবা।
করি করিগুম্বা মতমদনে ঐ
থরায় য়াম মুংঙাইরক্লবা য়াওয়ে
অহুদা হৌজিকপু কৈদৌরুদগে হায়বা
মঙোন্দগী নাম্বোক্লবা উপায়দি কৈত্রে
ঐনদি মাবু থাদোকপা ওমদ্রে
নোংমা নোংমগী অম্বুম অম্বুম
ক্রক ক্রক লাকশিল্লক্লেদো।
পুনদ্রে হায়বা ইখোঙ ইথুং

হেন্না হেন্না চেংশিন্নকলে হৌজিকনা
খালাসীগী শরূ-থুংকী লীপুন পরৈ।
ম্নানীংদবস্ন লৈয়ে পামদবুস্নু য়াওয়ে
অত্নুদা ঐগী উপায় অমতা লৈজদ্রবা
ঐস্নু খঙদবদি নত্তে মুন্না খঙবনে
অত্নবু তৌনীংঙাই কৈস্নু লৈত্রে
উপায় লৈতে সহায় লৈতে।
ঐগী পোকফম হৌফম ফত্তুরয়ে
লৈস্কম চাকম মথোঙ চাদে
মুন্না থল্লবনে মানা ঙাকস্ন নত্তুরয়ে
খালাসীনা তালাবী কল্লিবসে ঐননে
মচিনবৈঙদা থরস্নু কোমথোকল্লুরেমা
থরা কোম্না থাদোকথরে তৌজসন্নু
মানা করিবু ঙমগদবনো থল্লুবদৈ
য়াম্না লায়না থল্লুবা
কৈস্নু লৈবা নত্তে নীংলুবা
অত্নুগা মাদি মরৌ লৈবী তমথীবী
লাইমাং পুবী হিংচাবী ঙইরম্লবা।

হৌজিকপু করি তৌগনি হায়বা
মৈরৌ হেনজিনথরে কাথেকথরে
পুংকা কান্নবনে কাথেকলবনে

মুসুক মুবা মৈতাল ওল্লেদনা ঐ
য়েংজ্রদনা ঐগী ইশকসে কমদৌগেবা
মরেক মহাও য়াওরিবরা হায়রবা ?
ইখোঙসু পুন্নে য়োক্লিং ফম্লাং চল্লে
খুবৈ অমা নাম্থোকপা য়ান্ত্রে
শরংনুংদা লৈবগা চপ মান্নখ্রবনে
পুম্নাং হেক মাঙলেদনা ঐ
ঐ ওইত্রবনে ঐসে শাগা মান্নরবনে।
মানসু মরোল অমা খঙগনবনিনা
চপথংলকইদো মাঙ-তুং তুং-মাঙ
য়েং-ওই মনীং-মমাঙ চপ্পীদো
খুমফম খঙদা ঐ য়াম রাবনে।
ঐ পুন্সী লোইরবনে লোইরবা
হিংলি চংলি চারি থকলি হায়বত্রন
থরায় য়াওদ্রবা অশিবা মীগা মান্নরবনে
মীথীবোং মীতম্বান ওল্লবনে।
খালাসীগী অকনবা তলাবীগী তলাদা।

তলাবী নঙগী মমল য়াম্নবা পুন্সী
ত্রস্নামক্লা পোকওমদ্রবা মপোক লোইরেদকো
তলাবী, হো তলাবী নঙবু কনগে হোৎনরুবা
মতম তানজা খিক্তং থয়নখিদ্রনা

কনবা ওমহৌদ্রেদো হন্দক্কী মপোক্কি
ওঙ্খোকপনিদা পাম্মুংথ্রদা নীংজমখিদ্রেদা ।
কনগেদকো হয়েম্মুক্কী মপোক্তা ।

ঐগী হন্দক্কী মপোক হন্দক্কী শন্নী
লোইজসন্নু অরেম্বদা মাওজখিসন্নু
মপোক থীনা পোকলকপা ঐবো
প্যাক চাউরবা লোক্তাক ঈপাক্কী
লাইজ ঈমায়থক্তা থারম্বা
পীক্রবা কোঙ্গোল মচা অমা
তাকখিবগুম্বা ন তাকচসন্নু কৈদৌবগে ?

ঙারাকপী মতৈ মনাও মালেম কোয়বা

ঙারাকপী মতৈ মনাও রাম্নী শান্নি
লাইজনা, চাংজৈ পারবা ঊরাম
চাউরবা পুখ্রী অমগী ময়াম্বদা
তোংলছুনা ময়ুর মতোন্দা প্রাত্রাংনা
থাবনা হায় - তাম্বিবরা ঙারাক লৈমা !
য়ারাহু তাকপা ঙারাকলৈমা অমোম্মা —
ঙারাকনিংথৌ ইকুঙো করি য়াবাবু
তাকপীগে হায়রবা কোলোয়নিবুদো ননাওদা।
ঙারাকনিংথৌ অহুনা য়ানা চিঙোইরকই—
কুমজা মশীং য়ামলক্রেদো ঐখোয়না
পুখ্রীসিদা নৈশিন নৈশিন লৈরকলিবা
মালেম খুংনা কোয়গে অমুক্কংদি
পায়না খৈনা খল্লোদো লৈমা
নওনা করিবু খল্লিবা চিঙোইয়ুদো।
লৈম না— ঙারাকনিংথৌ ইকুঙো রাফম অদো
ননাওদী থায়নক্লেদগী পামজহনা লৈরক্লবনি
হৌদোকচবা ঙমদহুনা লৈবনি ঐ।

ভারাকনিংথৌনা — ইশানৌ ইবেম্মা ভারাকলৈমা
শকহেনবী, নঙ ঐনা য়ানরেদো রাকম অসে
অফবা থবক অমা পাঙথোকপদা
খীনফদে হায়বা লৈবাক্নি লৈমা
হয়েংমক খোঙশান্নবা খোরাং তৌরসি।

ভারাকলৈমদো মকুংভোগী য়ান্না তাবদা
হরাওজ্ঞৈ খোয়রুম মোমোন নোকচৈ।
করি করি পোইরৈলম য়ৌশিগে
ভারাকপী মতে মনাওদো থন্নরি।
অহানবদা ভারতকী সনা কোন্নুং দিল্লী
মথংদা কাশ্মীর, বোম্বে, কন্যাকুমারী
পেরিস, ইরোই লোইবদা আমেরিকা
থন্নান লীশীং লীশীংগী ভান্নফম
মমিনা তপ্পুপ তরেং কেজফম।

শাবী ইবুংঙো ভারাক নিংথৌবা
মনাও রাকম অমতদি নীংশিংজগে
হৌথিবা মপোক্কম্মু কোয়জরুই মালেম
লোয়নহনা থাইনখ্রবা ইশাবী অতুগা
পেম্নক্কেদো নীংবা থুংজরক্কে অপাম্বা
উজনীংবা সিনরী উজবা ফংলক্কে
য়ৌজনীংবা পোইরৈ লমদম য়ৌজরক্কে

হন্দক মপোক্কী খোঙচং অসিদি
মালেম খুংশিনে ঙারাক নিংথৌবা।
ঙারাক নিংথৌনা — ঙারাক লৈমা!
করি য়ারাবু কৌবনো চিঙোইরিবত্রবো
ঙারাক নিংথৌ ঐগীদি ইথৌদাংনিনা
ঙারাকলৈমবু পেলহনবা হায়বা অসে
ঐগীদি পুন্সীগী ইথৌদাংন্দিনে ইথৌদাং।

ঙারাকনিংথৌবনা পাউহংলকই লৈমদা
হৌখিবা মপোক্কী খোঙচংতো লৈমা
করিনা শাদোং ওইখিবা পাউদম্মুদো।
খুমজৈ লৈমনা — নোংমদোন অপাইবী
মালং বসগাড়ীনা ননাওঙ্গী শাদোং ওইখিদা
ঙারাক নিংথৌবা কংলৈ মপুও অকনবা।
নিংথৌনা — অহুদৈ ফেয়ার হেনবা অচৌবা ফজবা
হেন্না তোংবদা মুংঙাইগদবা অপাইবী
নোংমদোন আপাইবী অতৈদি লৈত্রবরা?
লৈরমনি খ্বাইদগী হেন্না মুংঙাইগদবা
অহেনবা অত্নদা পাইরগা লোইরেদনা
—খুমজৈ লৈমনা।

ঙসিদি ঙারাকপী মতৈ মনাওদো
মালেম কোয়বৈ খোঙশানবা হুমিংনি

ঙা মঙা থরা অমং অমংবা লাক লাকুনা
মরা রানথোক্নে অহুক ভত্তানা ।
নপোং তোমশিনবা হৌরে মৈজমখৈ
উপ্ দৈ খাইবগী কজবা থক্নে ।
কজে হায়না থনমখৈ হাপচিল্লে
প্‌গদবা উপ্ অচুনা মখোয়না ।
অনীমক মকি শেংপা লোইশিল্লক্রে ।
ফিজোলদি কমদৌই করি শেংলি ?
ঙারাক নিংথৌনা খোঙগ্রাও অচোনবী
কোট, টাই, অরাংবা মচু শুবী
হিগোক, অঙাংবা, পেক্রক মচু,
মচু মচুনা লাংবা ঙাক্ত অরাংবা
ঙরাক নিংথৌ ঙক্তা কোঙ্গোয় কিরে ।
টুপীনা ক্রিকেটকী টুপী লাইখনতাবা
খোঙজুপনা থুনীং রাংবী খুদোনতুম্বী
হেক য়েংবদ অহুম মাল্লবনি
ঙারাকপীনি হায়না খাইনা খঙনরবা
ঙারাকলৈমগী ফিজোলদি কমদৌরি ?
শাড়ী ঙাংশং ঙাংবা অমা শেং
ফুরিং শংত্রিক শংবা অমা লিং
কবুলিল্লা মখোঙগী কি ঙাক্তা
মশম বেনী লোন নাকল অনী থাদবী

বেনী মতোনরায় কিশিল্লি
রুমাল মচা অরাংবী অমমম্মা ।
নেপালি মুপীনী খুকেনী মওংদো
মরায়বক্তা নম্মী শিন্দুর ঙাংশং ।
ঙরাক নিংথৌনা এয়ার বেগ অমা পায়
ঙরাকলৈমনা শংত্রিকশংবা হেন্দ বেগ অমা
কুমথরকই অনীদো কারজগী লেম্না ।
অনীতুনা চিংশিল্লি মীয়ামগী মিংয়েং
এয়ারপোর্টতা লৈরম্বা মীয়াম অতুগী মিংয়েং ।

মখোয়না ঙহাক পোংথা ফম্লিদৈ
চঙশিল্লকই পাখং মচা অমা অনীনা—
নমস্তে ! তাইবুংঙো নমস্তে !
কদাইদা লেঙগদৌরিবনো তৌবিরকইসিবো ?
এ ঃ ইতৈমা ইবেম্মাস্ম য়াওবিরিনা, নমস্তে ।
ঙারাকনিংথৌনা খরা পোঙলপ তৌ
য়ারক হাইফেৎ ঙং চিন্দগী মৈখু খরা কামথোক
হায়রকই— নতৈমা ইবেম্মা ঙারাকলৈমসে
চংথোকমন্দ্রে লম তু খরা কোয়নীংডি
মালেম থুংনা চংনীংডি হায়রিয়ে
অতুদা খরা পুথোকপীরুগে হায়তুনা ।
মথা তাথরকই মুপামচাশিং অতুনা—

করি করি চৈনাক্কি তৌবিবগে তৌরিবা ?
লেক য়াম্মনা মৌবকে খক্তি ইরাম্বা
নুংতৈশনা লৌমীংতি হায়দকি য়ামথরে
কাশ্মীর, বোম্বে, প্যারিস, আমেরিকা ।
অদুক্তি লৈবাক য়াম তৌথোকপিরকাংনিদনা
তাইবুংজো ঐখোয়গী চুং ইনজনীংলেদকো ।
চুং মালেমগী লৈবাকশিং খুংনি হায়রিয়ে
নতেমনা কোম্বে য়ৌরগা নতাঙ্গা
ঈশৈ অমত্তা হাংলবনীংগদবগী তোৎব্রা
প্যারিসকী টাৱার কানীংডিস্সু হায়
হোলিউদতা ইলিজাবেথ টেইলরগী নত্রগা
আভা গার্দনগা এক্লিং থেকননীংডি
হায়নস্সু মতৌমনা ওহাক লৈতনা শোল্লি ।
ঐস্সু এরোপ্লেন য়াইংগা চৎলগে
য়া অমত্তং তাম্মনকে খল্লিবনি ।
মৈতৈ মচাশিংনে ফিল্ম য়াম শুথোক্লরে
ঐস্সু খম্বা-থোইবীদো পুথোক্লে নীংলি ।
হোল্লিউদগী স্তার অমা অনীদং
খম্বা থোইবীদো কুম্বা নেল্লকসিরা হায়না ।
পাথং মচা অনীদো শোন্দ্রনা থোকখি
খঙত্রেদা তৌরিদে হৌজিক মতমসে
য়েংবা হৈরবদি কুমহৈগী কুমহৈ ওাক্তা ।

প্লেন কাখৎখ্রে থোংখ্রে অনীদো
প্লেন্নহোই ময়াম্বা শিং লুম্বা লৈতা
মখোয়গী কিদেং মখোয়গী থাজং
ছিরোন চিবোন কনেম্ব কথাইনহৌই ।
মখোয় অনীহক্তি কুমি থঙইখিরে
করিগুম্বা শক্তিন অনন্তা কুংখিদে
মপোকসিংগী ভাব তাররোইদবা
মীওইনি মখোয় অনীদো ।।

কলিকাতা এয়ারপোর্ট য়ৌরে অনীদো
কুমথরক্রে প্লেনদগী মাল লৌথোক্রে ।
কলিকাতাদা নুমিৎ মঙানি থাইরে
দিল্লীগী টিকেট কংদতুনা মখোয় ।
নুমিৎ মঙানি কাইরিঙৈ অতুদা
য়েংবা য়াবা মখৈ কলিকাতাদা লৈবা
য়েথোক্রে শেল কনা য়াম্না লোইশিনখি
মখোয়না কলিকাতা কোয়বা অতুদা ।
মখোয় অনীনা দিল্লীগী যাত্রা তৌরমদাই
হোটেল মেনেজারগী বিল অতু উবদা
মতৈ মনাও অনীদো পুমণক ওকখি
শংত্রিক য়েংনৈ মমিৎ তরু তরু পাং
ঙাম্নাকলৈমনা অসুক য়াম্বা শেলসিদি করম্না ?

ঙারাক নিংথৌনা বিল প্‌রকপা বোইহুদা
হংডি করম্না অস্কুক য়াম্না তারিবা ?
বোইহুনা মথং মথং হায়থরকই—
বেদ-টি অনী অনী, ব্রেক ফাস্ট অনী
লন্‌চ, ইভিনিং-টি, দিনার অসিগী মমল।
ঙারাক নিংথৌনা হায় ঐখোয়দি
নোংমথক্তনিনা লক চাবা সিদদি
মুমিং মরীনিদি মপান্দা ঙাক চাইনা
বিয়ারর অতুনা-স্যাব চাবা চাদবা
স্যারখোয়না চারোই হায়রমদবনা
স্যারখোয়গী চাক শরুক অতু অতুম থম্বনি
চাদ্রবস্তু পীবা তায় অতুনা হায়জবনি।
স্যারখোয়দি চাবস্তু অহাওবা ঙাক্তা চায়দো
মেম সাহেবতি য়াম কেথোকমাল্লেনে
ওস্থোক য়াম য়াম হুনন্দোকখরে পামুবনা।
ঙারাক নিংথৌবা উপায় লৈতে
পীরম্বা তাম্লে লুপা লীশীং তরামঙা
নিংথৌনা শোনথাংননা হায়খি
ঐনা হোটেল ভারা য়াম্না তাদবদা
লৈসি হায়বতু য়ারম্লবদি সি থোক্লম্লোইদবনিদো
লৈমনা য়াবা কৌবা লৈখিদে
মমল য়াম্বা মমল য়াম্বতা হায়রুনা।

হুমিং মজাবিগী দুজা মোরে দিল্লী
মোগোল গার্ডেন, লাল কিল্লা. রাজভবন
কুটোব মিনার, ইন্দিয়া গেট, বিরলা ভবন
কনৌট প্লেস, অনা মেলে উয়ে ।
মথংদা কাশ্মীর শাংলে কাশ্মীর মোরে
হৈহুপ চারে হাওয়ে ঊংলে হুমিদাং
য়েংলে থংশেমগী জাল পাং মৈঙান্দা ।
অহুমগী থোঙশাম্নে থোক্নেগীদমক
য়েংলে তাজ হোটেল, মেরিন ড্রাইভ ।
পুরকপা শেল অহুম থোকপগী
লোইখরে শরুক অমী থর হেল্লপ ।
পুরকপা লুপা লীশীং য়াংখৈনি
হৌজিক্তি লুপা লীশীং ভরামতায়োমতা মঙাইরে ।
অয়াবপি হোটেলশা টেকসীরাপাগানা হাংখিবনি ।
হোটেলদা চার্জ হেন্ন তৌশিনবা
টেকসিনা লম্বী ওন্ন ওন্ন শাংনা শাংনা
পুথিবা মসিদা লোইখিবা শেননি লোইখিবা ।
মখোয় অনী য়ারে নুংশা থীজিনবকলে
শেল লোইশিনবকদোরে কমদৌশিগে
ঐখোয়মু হন্দহোবনা কমবরা থারক্রে অনীদো ।
অরাক লৈমদা কমদৌনি হনবা অরেদনা
শেল য়াজবনবি কমত্রা নম কোমশিন্দে ।

ঙারাক নিংথৌষনা—
হনবা তারেদনা ইমা লৈবাক মনিপুরদা
কন্যাকুমারীদি য়ৌজ্রেদো লৈমা ?
ঙারাক লৈমনা—
হয়েংমুক্কী থোঙচংতা য়ৌবা হায়রুনি
ইমা ইবেম্মা কন্যাকুমারীনা চান্নবিত্রবনিনা

শেল স্নাওরক্রবনিনা হনবা তারে অনীদো
ট্রেন তোংলন্নুসি রেলগাড়ীদা হন্দক্কি
উপায় লৈরক্রদি মথল মথেল
মহাও তং তংতুনা য়েংবা তাবেদনা।
লৈগনা—করি ক্লাসতা তোংগনি রেলগাড়ীদি ?
করিনো শেল লৈরক্রবু থার্দ ক্লাস
ফবু কমনখ্রে ইবেম্মা য়োরগা লোইরে।
থার্দ ক্লাসতা তনগং চিক্লুনা হল্লকই
অৱাবা কয়া খাঙ শাংলবা লমশাংদো
মী উখিদনবা কন্না হোংনৈ অনীদো।
মথং মথং অস্থম লাকপদা লমশাং ওইবনা
স্থম শেল লোইশিল্লকই খুং ভংলকই।
ঙারাকলৈমগী লীক, খুজী, খুদোপ
নায়ানবী মথং মথং কায়রকই য়োল্লকই
ঙারাকনিংথৌগী ভি-আই-পি উপু

থোঙগ্রাও অক্কবা শামতুঙ্গী কোট লৈরক্তে
ফনা য়াম্না কোকশিল্লক্লে অনীদো।
অস্থুম্না লাকপনা ডিমাপুর য়ৌরক্লে
খুৎ তৎলে বস ভারা লৈরক্তুরে
চরা নাম নামতা চাবা ফনা কুইশিল্লক্লে
মমিৎ কুৎলে ময়াং কংলে লোইরে।
ডিমাপুরদগী মাল গাড়ী অমদা
খোরা মরক্তা তোংলকই অনীদো।
বেগ মচা অমমম পায়রিবতুতা মঙাইরে
ইম্ফাল য়ৌরে বসতগী কুমথরে
অরাং দোকানগী ধর্ম্মশালা মপাদা।
রিক্সো ভারা পীনীংঙাই য়াওদরে
মথোঙনা চৎপা তারকলি অনীদো
অতুনা হুমিৎ তাবা মমলকপা ঙাইরি।
মমশিল্লক্লবদা মথোয় অনীদো চৎথরে
য়ৌরে ময়ুম ব্রা মচেৎ অমতা ঙাঙনদে
তুমিন তুমিন মথুৎ মখদাং শৌ চিন্তা।

থুংলবদো হুমিদাংনি নোংঙাল্লে
মথোয়গী পুত্রী অমনবদো
ময়ুর তেক্লয়ে তোংফম লৈরমদরে
পুত্রীদো লাইজা ঈশিং কংলমলে

ঙাখা মিৎত্রাংবী অমাকাও লৈরমদরে।
খৎনরে ঙারাকপী মচৈ মনাও কন্না
লাউনরকই নঙনা নত্রা নঙনা নত্রা
নঙনা থোকহল্লি নত্রাও সিবো।
অমনা হায় অমনা তাদে খৎনরি
অমনা হায় অমনা তাদে লাউনরি।
নঙনা করিগী হৌবিরিবা ঐবো ?
নঙনা করিগী য়াম্লিবা ঐনা হায়বা।
ক্ষুনরে খৎনরে অঙম অঙম্বা থানরে
ঙারাকলৈমগী য়েৎথংবা ময়ায়মক্তা
শংত্রিক শংনা থাম্বা অমা লৈরিদো
ঙারাকমিংথৌনা ক্ষুথিবগী চৈক্লি।
হৌজিক কমদৌ তারিবা ঐখোয়বো
কদায়দা ঐখোয়গী ইন্নম শাগদবা
উপালম্মু মরু ঙম্না কোকলয়
মন্নি পুম্নমক কনানা থোকহনবনো
অমনা অমদা তাইনৈ অমনা অমদা তাইনৈ।

ইস ! ইকাইখরেদা ওক্তোক্লা ইকাইদা
তাংজ ফিরুক্ক খুমলেদনা ঐখোয়দি
তৌরি মতৌসিবো করিনো হায়বা
কল্লক মমাঙ চাং তারেদো

সনা শোরোক য়াংবীথক করম্না
হ্বায়র খোঙদোয়-হুনগনি ঐখোয়বো
চোপলেদো পুন্সীগী ওইনা চোপলেদো
মপোক অসিমন্নী লোইরে হায়বা।
কারিবা মায়হীংসে মায়খোঙ মচাসিদা
কোক্লরোইদবা মায়হীংনিকো
ও: নীংঙমখিদ্রেদা
ওয়োকনা নীংঙমখিদ্রেদকো
মায় মচা অসিম্তু মায়হীংনা
ওল্লেদনা নেগেতিব।

—

(১১)

শরোই পোকপা অপোইবা

নোংমা কোরৌ অমদা শরোই মপী মায়চোনবী
য়াংদৌ খোঙদোয় হুল্লকই য়াইরা খোঙকাপ থাংলকই
শরোই পোকপা অপোইবা মাগী মপাইকাবু তম ।
য়েরক্লে মায়চোনবী শরোই মপীদো
মতম তানজা অহুদা ইপল পম্হৌদি মরাল শঙলেনগী
মাঙ্গোল খেঙ্গোংলাং থুকউ পুন ফয়হনা
চিনবান কাংমৈ খুরিদো তোংজৈ থবুম চিং ।
য়েংথোকখিবদা উবক্লে মায়চোনবী শরোই মপীদো
ইপলগী শুমাং মতাফবদা লেপতুনা লৈরম্বা ।
তরাম তরাম কৌশিল্লি শরোই পোকপা অপোইবনা
চিঙ্গোই পাউহংলকই—ইচন মানবী ইবেম্মা !
করি য়াব্রা কোলোয়নীংবা লৈহনা খোঙরাইরকপা
নবুং ঐঙোন্দা পাউদম্মুদো পেম্মা মায়চোনবী ।
নোল্লুকনা শরোই মপীহুনা খুরুমজে অপোইবদা
ওহাক পুঙ্গোই লৈরগা অপোইবা মকাদা
য়াব্রা পাউমেনজরকই শরোই মপী মায়চোনবী
—ইবুংঙাইবা করিস্নু থোইদোক্কে ইচম চম্বা ব্রাফম্নি

ঐতগী ওইবা লন্নাইগী হ্নাকশনি
অমথঙ্কনি হায়জপদবা শুপনগী অমথক্তা।
নচন্না ইবুংদা হঙ্গৎচগদৌরিবা হ্নাকশসে
পায়মা খোয়জংনা তিন্নাং খয়োংনা ভাবিন্নুকো
নচল লাইবক চাউবীনা ইবুংগী নকাদগী
করিগুম্বা অমতং নিজগে লংনবা নৈতা পীবীন্নুদো।
শরোই পোকপা অপোইবা য়ান্নাহু তাবদা
চিঙ্গোইরকই অশুন্না - নবুংদি লাইরবনিদো বংডি
করি নৈজবা নত্তে নখোয় থ্বাই খিবিক্লা খঙলিবহুনি
ইচন্দবু করি পীনীংঙাই নৈগদগে ঐগী
অরৈববু ওইরবদি পীগনিনা থাকপা নৈতা
হায়উ হায়উ অপাম্বদো অপাম্বতা হায়উ।
ইবুংঙাইবা অতৈ করিস্নু নত্তেদা পামজরিসে
লাইমু লাইনাও মচা অমতং থাইবীয়ুদো নচন্দা
মতুগী ভরেং শেনজা মমলদো কংচগনি মতীক চানা
হ্নাকমদো তাবদা শেনফম অমা নৈরে থন
হংবিরকই শরোই পোকপা অপোইবনা!
ইচন মদন মানবী মায়চোনবী ইবেম্মা
করি করম্বা থৌরমদা শীজিন্নগে হায়বা
লাইমু লাইনাও মচা শরোই ভারোইবুদি।
শরোই মায়চোনবী মপীনা—
নচনগী ইমোম লাংলেন অমতংবু নৈজেদো

ইমোম মাগী তেংবাংনবা মনায় অমখক্তং
থমজনীংবা অমাবু লৈরেদো মহাক্তো ফানবা
নচন্না পামজবনি লাইনাও লাইমু মচা অমখক্তং
অপোইবনা—
ইচন্না পান্নবদি পীববুদি পীগেদা অতুদা ?
মায়চোনবীনা—
চিংনা পরৈ হুকপীগন্ন ইবুং মহীরেন অপোইবা
কংচগনি ঙমজবা তরেৎ শেনজা মমলদো
থরায় শোক্ন হায়জবনি পীবিদবা তৌবিন্নু ইবুং ।
মায়চোনবীগী য়ারাদু তাবদা মহীরেন অপোবইনা—
ফরে ফরে অতুদি নঙনবু নথরায়না অদু য়োনা পান্নবদি
ইবুংনা শোয়দনা পীগনি থরদি চোকশিনবা তাইদো
শারোই লাইমু লাইনাও শান্নবসে লুবনি ।
অখঙবা ওইরমতুনা হল্লক্লবদি শোক্কদবসে
ইচন্দা নত্তেদো নবুং ঐস্নু শোয়দনা চেন্নরক্কনি
অহনথংদা নবুং ঐহাক্ চোপনীংদেকো ইচন ।
ফরে অতুদি চঙকও মী উহনবদি য়াদেদো
ইমুংদা লোন্না হোংনক্লরসি ইবুংগী তুং ইল্লকউ ।

অনীদো চঙলকলে ইমুংদা সনামহী কাচিন তম
থুক্ল থুদক লৈতানা কুল্লে অনী অদো
মালেম লৈবু লাইবক শোক্ন কংলে থুক্লমলে ।

মনা মহীরেন লাইনিংথৌ লাইরেল ইকুণ্ডো
পোকলেন পোকপা শাপলেম শাংপা অওম্বা
নিজরি ফিগাও শানা লাইমু মচা অমতং
হেলোইদা থাজিন্নবা পীবিরু মায়চোনবী খুংতা
শরোই মপী মায়চোনবীদো ফিগাও শানা য়াজরে।
লেম্না মহুয় ফংজগে ঐগী নীংজবা থুংজগে

খুরুমজনা নিজরে শরোই পোকপা অপো বদা।
শরোই পোকপা ইপল মানম্ চিঙ্গোইবীরে —
লাইনিংথৌনা কুবিসঙ্ নীংজবদো নওগী থুংজরো।
ইচন ইবেম্মা মায়চোনবী থরদি চ্যেকশিলুকো
শরোই লাইমু লাইনাও শান্নবসে লুবনিকো।
করিগুম্বা হল্লকপা থোক্লবদি চাকথাক তুনবা রাগনি
নীংবা থুংলক্ত্রবদি লাইমুবীনা ওংলক্কনি নৈরক্কনি
ইচন থাংবা রাগনি নাম্বোকপা য়াবোইকো।
শরোই মপী ওারোই মানবী মায়চোনবীনা খুনজৈ—
নচম্না ইবুংগী য়াথংবু মালেম লৈদা তাহনজরোই
থোকখি লাইমু মচান্দো পুতুনা শরোই মপীনা।
মহীরেন অপোইবা শান্নবা শবোই পোকপা ইপলদো
লৈহৌই শংত্রিক য়েংতুনা কংলম্বা শেলদা।

কোরৌ শিংবুম থরনি হৌপ্র তুং নোংম
খেনফম ফবা পুংজাদা অপোইবগী য়াথংতুইন

তেনকাপ চুম্না তেঙ্গা থোং কাপলে লাইনাওদো
ফত্তু শয়ো হৈবী হেলোইতোন মকাতম।
তেনরাই তেনকাপ চুমখি পানখি শেং শেং
ঙাইওমখিদে নোংঙানবা পাইরকখি হেলোইতোন
শরোই মপী মায়চোনবীগী মমোম লাংলেন মকাতম
ঙারোই নীংঙোলত্নগী লাইরেল থাঙ্গাকাদা চঙশিনখি
হৌদোকলুই মিকপলো মিকপলো ঐ য়োরকলে
ইথোঙনা থো.না লাকচরবনে ননাই য়েজরক্লে
ইন্নুংঙানবা ঙাইওমদে উনীংবনা মায়থোঙদো
কনাই নুংশি লীচিংনোসীবো থোইনৌ নঙবো।
ইতা ইবেম্মা নুংশিবী য়াংদৌ নঙবু চাংরোই
ঙারোই মানবী পুম্নুম্বী তরু তহেন নীংথিবী
হন্দক মপোক লাঙোনসিমগী ওইজরগে
হেলোই ঐনা ঙারোই নঙগী অচানবী।
শরোই মপী মায়চোনবীগী মমোমলোই
ঙারোই মচা প.মবুম্বী তনোই তনোই
তুমশিং ফাদবগী মমিং নোইর নোইরঙ্কনা
য়াকাইরকই হৌগংলকই হংলকই ফম্লেনথক্কে—
ইশানৌ নঙবু কনানো ? করি য়ারানো কোলোয়রিবা ?
ইতা ইবেম্মা ঙারোই, হেনজবী, নীংথিবী, ফজবী
নঙগী নতারোই রাঙম হেলোইতোনবু খঙত্রবরাও
অকাও পরৈ চল্লবরা হায়মি ইতা ইবেম্মা।

হৌগংলো হৌগংলো লাকলো খোরকও সে
নচিন নয়া শেংলরো মপোৎ মচৈ ঙম্মা পু খোক্লে।
শামু লমশা খোঙথাংনি কাইদা কাইদা
খোরকলে লুহোং খোঙথাংদা ঙারোই হাতম পুমবুম্বী
মপন পম্থৌ মাঙ্গোল খেঙ্গোংলাং ফমদেংলরে।
হেলোইতোন্না ঙারোইদা তৌবা থৌগল কয়াদা ফজবা।
চাংদমনীংঙাই লৈতে ফজৈ তমজনীংঙাইনি।
অস্থুম্না নোংমা অমা ইন্নুং হেক ঙানবদগী
সুমিদাং য়াহিপ অম তাল্লমদাই ফাওবা
থৌগল ফংজবনি হেল্লোইতোন্না ঙরোইগী।
হেল্লোইতোন ঙারোই থৌগলদা হনবা লৈতে
লেপ্পা লৈতে পোৎথাদে অৱাবা খঙদে।
হেলোইতোন্না তৌরিবত্ উরগা হরাওজৈ নোকচৈ
খোইরুম মোমোন তৌ মায়চোনবী শরোই মপী।
অস্থুম্না লেল্লকপসে কোরৌ কয়া হৌথরে
থাবুম কয়া লানথরে কুমজা কয়া হায়রক্লে
পারুবদা চহী কুমজা মাপল শুজিল্লক্লে
মাপলদি অপনবগী তাংফম্নি অপনবনি।
শরোই মপী অপঙবী করি থল্লুদে তুংলমচংকি
হেলোইতোন মীনায়নি মীনা ঙাংনব তারকই
লেপ্পা লৈতে মীয়াম্মা ঙাংনবা তারকই হেলোইতোন
তোয়না তাশিল্লকপনা ইকাইবা অমা পোকলক্লে

লমন অমতং খুমগে হায়না

লেপথরে হেলোইতোম শরী নামুংথরে
থা-থা নত্তে হেলোইতোম হিংচাবীনি হিংচাবী
শরীথিব তুংইন অইন কনবী হেলোইতোন
থিরক্লে লাইমু মচা অমতং ফাগে হায়না
মখোঙ মরী লী লীচুনা হন হন্দুনা থিরকলে
থিমথৈ থিরুরগা কাইনথংদ লাক্লে মাস্তু
শরোই পোকপা ইপল অপোইবা মকাতম।
হেক উবদা খুরু খুদক লৈত্তানা মালেম লৈদা শোক্না
মিংলূ পিরাং ঈচেন্না খুরুমজৈ শরোই পোকপদা
হেলোই চম্নুগী গতৌদ্র উবদা নুংঙাইতরে অপোইবা
শরোই পোকপা ইপলনা য়াম্না মপাউ হংলকই—
ইমোম নওমা নথম্নাই শোক্না হীক হীক কপ্পদি
তম্বা কনানা ইমোম্বু লাকচ খুজুম চল্লবগে
ইপাদা চিংথবা লৈতনা তম্মুদো ইমোম মানবী।
য়াম্না কোলোইদ্রু তাবদা হেলোইতোন্না—
ইপল পন্থৌ অপোইবা নমোম্বু শরোই মপী
শুনীংদবী, মামন্দবী, নাওকোন্নীংদবী অমনা
নচাবু লাকচ খুজুম চলথরে পন্থৌ অপোইবা
থাওবদা য়ারেদা নমোমদি অমুক্তদি পোকপীয়ুগবা
য়ুমলেপ চারা তমজনীংথা লাইবক চাউবী ঐহাক্তি
ইপলনা থৌজানবীদ্রবদি নচাদি অরাফম তারগনি।

কনবিয়্ হায়জগে লাকপনি পঙ্খৌ নকাদা।
কমদৌনি ইমোম অরেৎ শেনজাদি থর চঙগনি
ইপাদি লাঙ্গৈরবনিনা লেমনা পাংবদি ঙম্মোইদো
কমদৌশিগে ইমোম মদম মানবী ইবেম্মা।
পঙ্খৌ নচানা মতীক চানা লাওজরে লৈজনি।
ফরে অহুদি চঙলসি ইমুং শঙলেম্নুংসিদা
ইপা ইচা থরায় য়াওনা নিজরুরসি।
সনামহীরেন কাচিন্দা চঙশিল্লে খুরুমলে
ইমোম নপুক্লৌং লোঙগন্নু ব্রাশক চেৎলুকো
নমিং পাঙথোক্কন্নু পুক্লৌং লৈতানা খুরুমজৌ।
লাইমু মচাহুবু ঙম্বা অমা থারগেকো
শয়েং পাম্বোম ঙাক্কহনগে পীরে লাইমু মচাদো।
মসে ঐনা পীরিবা অসে কৈদৌনোংদা থাফদে
চেৎনা লুনা থম্মুকো নীংথিনা শেন্নগদবনি
ইমোম নঙগী নথরাই শোকমনবহু উবদা
ইপলনা য়েংবা ঙমদহুনা পীবনিকো ইচাদা
অতৈ কনা মকাদা পীদেকো ইপানা
নমায় পাকপা ওইজৌকো, মকোক্তা অহুমলক নানবী॥
হরাও হরাও নোক্নুনা মরান্দা হল্লকই হেলোইতোন
হৌরে মাস্থ তেনকাপ্পা লাইমু মচাদো থাদোকথরে।
তাকদবা য়ান্না তাক্লে শোনবা য়াবা মন্ত্র শোল্লে
হায়থরে তোংলুরো ঙারোই লেংবান্দা তোংলুরো

থৌরুবো ভমজমখে মায়গৈ শালাই খঙদনা।
মথৌ পাঙথোকপা হৌখরে হেলোইতোনগী লাইনুদো।
ভারোই খাওবা ভমখিদে নোংভানবা ভাইভমখিদে
থোকখি থোঙ্গাল তম অমম অঙাম শিন্নরকপদা
হেলোইতোনদি খোমলেন য়াতারমনি য়াকাইখ্রি
থোঙদা থীল্লি দং দং হৌদোকই হৌগৎলো
চাবগী পৌরোল শৎলো থোঙগী নাতৈ কাঙলো
ভারোই লাক্লে ননাক্তা উনীংবনা খ্রো খ্রো খোং
হেলোইতোন হরাওই পেল্লহুনা নীংজবা থুংলবদা।
পায়মঙ্গুংদা খল্লি নহালমগৈ মখোয়না তৌরম্লিসি
ইপন শরোই পোকপনা পীবা মহৈ ওইবল্লেদনা।
খঙগনিদো শবোই মপী নহাক্না ঐবু লাক্লখিবা
হৌজিকক্তি ঐনা ভল্লেদো নমা নচা খাবক লাক
লাক্লবগেদো হনবা লৈরবোই লনন খুম্লগে
রাশক পন্দোল লোমখ্রে শরীখরে শরোইতোন।

খ্বাই খুদিংনা মফম খুদিং উবিবমগনি
লাইমু লাইনাও শবোই ভাবোই অনীনা
শোবোক যংবীথক শমু মীয়াম মীতিনফমদা
কোয়চেন চেল্লিবা অচোপ অরেম খঙদখে।
নমুপোং ওইবা তাইবংগী মমিং নাহল্লিবা
শরোই পোকপা ইপল পস্থো অপোইবা

মঙোন্দগী থাইদোরকপা লাইমু লাইনাওশিং
ইকাই ইকি থওদবী থোগল্লোন থওদবী
লাই ফত্তবী লাইমুনি লাই অমোমনি শোরেলনি
ইমুং মন্নুং মথক মথা ওল্লিস্নি শোরেলত্নুননি।
ইপল অপোইবগী শেগাদগী পোক্লকপা
ব্লাখল থাংতপ খনবা অপোইবগী মচাওাক্তনি।
শরোই নপী মায়চোনবাদি কমদৌরিবা ?
মাবুদি নীংঙমদা মৈনা চাক কাথেক্লমাল্লেদা
তেংথা নাংইত্নুনতা লৈরে হায়না তায়দা।
তেংথাও পেন্না পেন্না তেংথাও নরমচৎননিকো।

মালেম তাইবংদা থোক্লিবা থৌদোকসে
নমুপোং ওইবা মীংইববু লাক্লরিসে ব্লাহললিসে
অপোইবনা শান্নরিবা কুমহৈ ময়ামসে উবেদো
নোংমদোন লাইরেম্বা লাইরেম্বী ময়ামদো
অসাও থাম্বী মৈহৌবে লাইয়াম তিন্নরে খন্নবে।
অপোইবদা ব্লারক চৈরাক পীদ্রবদি
লাইয়াম ঐখোয় খিবিকসে
নোংমদোন লাইবৈবাক্তা লৈবা য়ারোইদৌরে।
গোওমী লানমী খরা থাত্নুনা লান্দাহল্লুরে।
হায়না অল্লা, নোংপোক নিংথৌরেলবনা
চিঙ্গোই য়াথং তাউথরকই—

লাইয়াম্না ৱারেপ্নখিবা তুংইম্না।
য়াথং ফংলত্না শোন্নারেলগী
নোংশুমলকলেদো লাইয়াম খিবিক্তো ।

অপোইবা নমত্না ফারে ইস্থরে নোবোক্কী কোমদা
লাইমু লাইনাও ময়ামদো মাগী মাগী শাদো
লোঙ্গিনত্না নোরোক্কী কোমদা তুপ তুপ
য়েংঙু য়েংঙু লুফেৎ লুফে অপোইবা হাংবদগী
তান্নবিসে কয়াদা ৱারবনো অপোইবা।
চেল্লু অপোইবা তাল্লু ফংনবা লাইনাওশা।

লাইনাও লাইমু মচা ময়ামত্না মখোঙনা
মরায়বক্তা, মমায়দা, লরায়না, মথবাক্তা
কাওশিল্লকপদা খাঙবা ওমখিদে তপতাখি
শবোই পোবপা অপোইবা হন্নু হন্থিদো ।
লাইমু লাইনাও ময়ামত্না অয়াকপা খোঙ্গেলনা
লাউ খোংঙকই চৈবকই শাথীবা ৱাহয়না
হনুবা চিম্থবা, মীহাৎপা, মীওৎপা, কারামজাও
হিংচাবা, মীহীংচাবা, নথবাক শেগায়ত্না
ঈ চুপ্লগতা পেনগদবনি ঐখোয় ময়ামসে
নঙনা ঐখোয়বু হুইগুম শীজিন্নখিবা
কাউবা য়াদেনহে নঙনা তৌখিবশিংদো ।
লাউর লাউরত্না লাইনাও ময়াম্না খোঙপাক্না

কাওশিল্লি- খুহুম্না গুজিল্লি, কির্ন্না থিনজিল্লি
শিংচিল্লি তিন অপোইবগী মমায়দা ।
অমুক অমুক তাউখৎলকপদা উবা ফংঙি
মকোক, অতাওবা কোক্কো অপোইবগী
অতাঙবা মকোক্কা মঙা তরা
লেং লেং চৎপদো নপ নপতুনা
লুফেৎ লুফেৎ তবুং তবুং ওল্লি
ঈশিংপা লোইরকপগী লৈনাংলক্তা ঙা ওনগুম
ওল্লি উরকই অপোইবগী মকোক তুম্বাদো
লৈখোম লৈনাং ইতৈ-তৈ পায়ফম লাকফম লৈতা
নোবোক্কী কোমদা লুপমিন্নরে লোয়নন।
মাগী খোঙবী খোঙনাও ময়ামতুগা
অহল থংদা কয়াগী মতীক ব্লারবনো
নঙগী পোলোইদি অসি ওইরেকো অপোইবা ।



খুল্লাকপগী খেলদা অপুম্বী শোরেল

নোংপোক মায়কৈ ঙাল্লক্লে, উচেকী মক্কপ্পা খোংলক্লে
লৈপাল হৌরিবা লৈকোলদা, পোমহুনা লৈরম্বা লৈশিংদো
লৈকা ফম্না শাংকাইরে, হায়না হুম্না ঙাম্থোইরে
ফজ ঙমথৈ লৈতরে, মপুই লৈকোল ফজরে।

মিকুপ খুদিং হৌখি পুংজা খুদিং চংখি
মতম্না কনাবুম্নু ঙাইহিন্দে কোরৌহনবম্নু অতুমঙাই
ইন্নুং অমম্বা য়ৌশিল্লক্লে কোরৌহনবা অঙানবম্নু
নোংচুপ চীংন্না পাংলক্লে ঙাঙ্গানবা মছেম্বা লোয়নবা
সনা মানবা মচুগী মঙাল্না লোকমাই খুদিং য়েবা
কয়াগী মতীক ফজবা য়েংবগী পেমবা নাইদবা
পুক্লীং হুনা নাংথিবা মতমনি মতম তাঙ্গাদো।

মতম তাজা অসিমক্কদা শাবী শানৌ অনীনা
তুংথ মাঙথা চোনখংখ্রি অরাংবা মচি চীংগী
চীংদোন তম খোয়রবা লম্বীগী তুংইন
য়েংনহৌই মীয়াম্না লেপ পলেন থোংগী থোংখোঙদা
অনীনা চোনখ্রিবা অসি কদায়দনো? কৈদৌবনো?
হংনহৌই অমগা অমগা।

শাবী শানৌ অনীদি চ্যেল্লী কম্না চৌলি
অন্নাবা খওদথৈ চ্যেল্লি নুমিং তাগ্রমি
নুমিং তাগ্রবদি মম্লনি মন্নবদি
থুংফম লৈতে কনাদা থুংলুনি কদাইদা চওলুনি।

পলেন থোংগী থোংখোওদা লেপ
য়েংনহোরিত্নুগী মরক্তগী অমনা—
মথোয় অনিসিবু নুপী চেল্লিবা হান্নত্নরাও?
নত্রগা ব্লেকী পোং পুরিজাংলাও?
অমনা ব্লেকী পোং পুবা মান্দেবো
মশাদা কৈমতা য়াওবা উদে হায়মি। ওইরম্মোইদা।
অমনা—অত্নুদি মথোয় অনীমা চ্যেল্লিবসি করিগীনিনা?
অমনা—নুপী চ্যেনবা নুপী চ্যেনবা খওবীরেদনা।
অমনা—অত্নুদি নুপীদো নুপীদো মশা য়াম কৈ হায়মি
অমনা - নও করম হায়না খণ্ডিবা?
অত্নুবুরাও? মানা ওমথ্রবা মচি চীংসে
চেন্না চেন্না কাখৎপদো নুপাত্নুদৈ মানা হেল্লি হায়বা।
অমাত্নুনা—অত্নুদি মহোয়না চ্যেল্লিসি
মোরেগী সনা ব্লেক চ্যেল্লি জাংলাও?
অমনা—নহোয়না হায়রিদো অমতা নত্তেসে
ঐ হায়বীগেসে নুপী চ্যেনবনে নুপী চ্যেনবা।

চ্যেল্লিবা শাবী শানৌ অনী অদো।

ইন্নুং মমশিল্লকপা অন্থুদা থম্মরকই—
অপুম্বীনা কোলোয় মপাউ মেল্লকই
—ইশানৌ ইবেম্মা মুংশিবী শোরেল নঙবু তাবরা ?
থুমলকই তাজরিয়ে পাম্মুবা ! করি য়াম্না পাউমেনবিগদবা
তাকপীয়ুদো ননাও লাইবক চাউবিদা ।
অপুম্বীনা অতৈ করি নত্তেদা ইন্নুংতৈনা মমশিল্লকপসিদা
পায়মা পুক্নীং অসে ৱাদবা ঙমদেদো
ইপা মরিং থুল্লাকপগী মরান শঙলেন্দা
অহীং নোংলেন অমতং য়ারেকসি হায়ববু ।

থংলেন নঙবু পাম্মুবা, মানজ করি ৱানোনে
ননাও ওইবী ঐদি থংলেন নকাদা ঙসিফাও কায়জরক্লি
পাম্মুবনা হায়বতা ইনজরক্লি
শুম কৈ হায়বদো য়াজগনি, য়াৱামতা হিক্তোকচরোই ।

মথোয় অনী চংঙকই ইপা খুল্লাকপগীদা
খুল্লাকপগী শুমাং মতাফবদা লেপ্পী খাৱাংনা ।
মতম অন্থুদা ইপা খুল্লাকপদি করি তৌরি ?
মাঙ্গোল খেঞ্জংলাংদা ফম তোংজৈ থবুম ফান
শমু থুক্তুনা শঙ্গাই পায় পয়া শিরি ।

থুল্লাকপগী মিৎয়েং শাংথৈক্ররে অনীন্থুদা
মিকুপ খরা শংত্রিক য়েংলগা চিঙ্গোই পাউহংহলকই—

পারি মদম মানবা, ইমোম মদম মানবী
নথোয় অনীনা ইপাগীদা লাকপদি করি থৌগীনো
পাউদম্মুদো নপা খুল্লাকপা ঐঙোন্দা।
অপুম্বী নোল্লুক মকোক নোম্বরপ তৌহুনা
পম্মৌ মানবা ইপা ইবুংঙো ওসি কৌবা নোংলেন্দা
নপারি নমোম অনীনা পম্মৌ শুমাং মথৌগোনসিদা
লেপচরবদি অতৈ করি থৌগী নঙেদো
ইন্নুং তৈনা মমশিল্লকপসিদা খুল্লানবা খুদোং
কয়া চাররোই খন পম্মৌগীদা ওসি ইন্নুংসিদং—
খুল্লাকপনা— ইন্নুংসিমতং ঐগীসিদা য়ারেক্কে অসিনত্রা
নহোয় অনীনা চিঙ্গোইরিবা অসিবো ?
অনীনা – মান্নি মান্নি পম্মৌ।
খুল্লাকপনা— ইপাগীদা লাক্লবদি অতু অদা থিবা য়াত্রাও
মুংঙাইবা মুংঙাইতবা থিফদে ঐগী মোংবা শঙলেন্নুংসিদা
ওসি ইন্নুং অসিমদি য়ারেকথিবা তারেদনা
চংঙু চংঙু পারি ইমোম অনীমক
শঙলেন্নুংদা নমা খুল্লাকপী লৈরমনি।

ইন্নুং মম্বা লোইশিল্লকদৌরে নোংঙাল্লমদাই য়ৌরক্লে
মতম তানজা অস্তুরাইদা অনীনা লৈবা কাদা
জু-জা জুজা মরাঙ মরাঙ তৌরকই
শেৎ-শাৎ, ছুব-দাব লাউবা নখোল তারকই।

ইপা খুল্লাকপা তারনি মতানি অনীদো
চারগী পৌরোল শংতুনা খোংগী নাতৈ কাংহুনা
অনীদো তুমিল্লা মপান্দা য়াঙনা চেম্থোকখি।

খোম্থাং মখোলদো তাবদা হী: করিনো হায়তুনা
য়াকারকই খুল্লাকপা কয়েনথক্তগী কুমথরকই।
অনীনা লৈবা কাদা চংঙি-য়েংঙি-লৈরমম্রে।
খুল্লাকপা থীন্দে লীরকই অনীহুনা চংখিবা লীখুন।

খুল্লাকপগী খেলদা তম্বা অনীখক ফি শেমহুনা
শয়েং পাম্বোম ঙান্নগদবৈ শেম শাবা উরে।
উবদা চিঙ্গোই মপাউ লাউরকই খুল্লাকপনা—
হায় হায় তম্বা নঙবু তাবরহৈ ঐগী য়ারাসে
ঙরাং ইনুংদং য়ারেকচগে ইরান শঙলেন্নুংদা
ইমোম মদম মানবী অমা পুহুনা চঙখিবহু
তম্বা নহাক নত্রবরহৈ অচা-চা করিনোহৈ।
অপুম্বীনা পাউখুমজে—
মান্নি পম্থো। নুপীদো নুপী নক্তে নুপানি
নুপানা নুপী শাবনি মানা ঐবু মীনলম্বনি।
মতুংগীনি ঐখোয় অনীনা শয়েং পাম্বোম ঙান্নদোরিসি।
খুল্লাকপনা – নঙদি অতো করিগী নমায় অতুক থকইবা ?
মায় থক্লদি শয়েং থৈনবা পাম্বোম ঙান্নবা তারেদনা।

কৈ কৈ অঙ্গুনি চুপামচা থোকদবনি
ইপানা রেক্রি ওইনি কৈমত্তা মুংশা মীগম্ব
খুল্লাকপনা রেক্রি থোংখি হোরো হৌরো।
বেক্রি হেক থোংখিবগা অনীদো হোৎচিল্লখি
কোন্নখি তাপ তাপ মুক্কা মোংখ্রো কমলাক কোৎপি
লুথম কায়, বোক্সিং, যুদো, টাই কুন্দো, উ-স্থু
কেরেট কারাতে, শোম্পাক তাকেন্দ্রা, আর্ম রেস্টলীং
আইটেম অমমম লোইবকপদা লোইরে থঙনবা
ইপা খুল্লাকপনা হুকশেল থবা শাংনা থোংভি।
অস্নুম্না শয়েং থয়নরকই পাম্বোম ভান্নরকই অনীদো।
ইপা খুল্লাকপনা অমপায়ার ওইতুনা।
পুং অমারোম ফাজিল্লক্লে মখোয় অনীনা লাক্কুরকইবা।
নোংপোক চীংখৈ লাল্লুন্বা কোবোহনবা অঙানবা
য়াকাইরক্লে তগুপ তবেং ভাংঙানবা মচুনা লৈতে
কোরৌহনবা খবা শাউরপ তৌনা মিৎয়েং শাংখৈনকই।
মিৎয়েংদো উবদা মিপাইখি তম্বা অনীদো
ফুনবা খুংলৈ থুজিল্লকই উরু উরু লৈনরকই
থাঙ্গৎনরকই পম পগতুনা মবেংবান্দা
হায়গৎনৈ থাদনৈ হায়গৎনৈ থাদনৈ দম দম
থোঙফম শোয়খিতুনা ওস্থখি অনীদো
আ লোকথাদা, চীংচপ্তা, মশক উখিদে।
ইপা খুল্লাকপনা য়েংথখি লোকথাদা, শোনখি

কদায় য়োংখ্রে অনীদো ৱাখল ওমথৈ য়োদবা অনীদো।
খুল্লাকপগী মিংনা উবা ফংখিদে শিরম্মনি অনীদো
আ ঃ ওন্থোকপনিদা হে নহা পাখং পঙখ্রেদকো
ৱাখল খাংতপ খল্লিকো মীশী মথোং হুক্তেকো।
অল্পবুদ্দি নরমচং অক্তুনা মীশী মথোঙ চাঙবনিকো।
ঐ চংলে—হায়রগা হুইশেল শাংনা টি-ই-ট
খোংলম্লগা খুল্লাকপা ময়ুমমোংবা মৱাল তমখি॥

(১৩)

পান য়োনবী ইতৈম্মা

পাবুং অপোইবগী মচা নুপা অহুম পোকই
মচা নুপী অমতা পোক্কে পাবুং পাগ্রানি।

পাবুং অপোইবা অহল ওইশিলক্লে
হুন্ন মাল্লে চল্লক্লে মমিৎতা মমৌ উনীংলে।
মপারি অহুম অতুম্মু চাওবা শরেক ফারক্লে
শাংবা লেপতুম য়ৌরক্লে ম্লমলেপ চান্না
তমহন্নীংলে পাবুং অপোইবনা।

পাবুং অপোইবগী মচা নুপা অহুমতুগী মিং
অহলনা ইবোহল য়াইমনা ইবোয়াইমা
অতোনবা অতুনা ইবোতোম্বা হায়না থোল্লি।
পাবুংনা থোনবা মিং ওাক্তনি অহুমক।
অতুব খ্বাইনা খঙনবা মিংদি —
অহল ইবোহলনা খরাইলৈমা ডিমাপুর ওংবী
ইবোয়াইমনা তম্পাকলৈমা মোরে তাবী
ইবোতোম্বা অতুনা সিনেমা হোলগী হেরোইন
হোল পুবী লৈমতোন লৈমা।

অতৈদি লাযবি ঐ খঙনীংবনা শিদোবে।
নঙনা শিদৌমখৈ খঙনীংলিবু কবিনো ?
খুরাইলৈমা, তম্পাকলৈমা, লৈমতোন লৈমা
অহুমক্কী রারী রাখোঙদো মুন্না খঙনীংঙে।
করিগীনো হায়বদা নুপানা নুপীগী মীং ঙাক্তা
কৌরিসে মসিদা খঙনীংবা হেনজিল্লক্লিবা।

অতুদি লীবগে মঙগী রাবীনিকো নোংমা
মঙদা উথিবা রা ওইনা লৌ য়াপোং নঙেদা।
সে স্থুম তৌবা জাংনিদা অপোইবগী মচা নুপা অতঃ
খুরাইলৈমা কৌবা পাখংসে ডিমাপুবদা
পান দোকান অমা চাউনা ফম্লিযে।
নোংমদা লুপা লীশীং অমা অনী শিংপা জাংনি।
কবি পানা কানোনে মানা য়োল্লিহুনো
যাম শিংমল্লি হায়মী অতুক য়াম্না শিংপা
ইমানা হেক পোকপদৈ তাজরক্ত্রি হায়বা।
মাইহুবুবাও শুমজাংনি চুরুট, বিড়ী, মৈখেং
থাউ মনম হুংশিবা, সাবোন, অসিনচিংবা।
নোং ফুং হেক ঙানবগা খুবাইলৈমদো হৌগংলে
মকে শেম্বা হৌই, ইরু মায়থজরে
চন্দোন চন্না ফজনা থিল্লে, মশম মনা হাংলে
লাইবক্তা নমলে সিন্দুর, কেবা লোইরতুনা

থোরক্লে শামু লমশা শাজৎনি লেম্না
কাইদা কাইদা থাংভি মখোঙ খোঙথাংত্থু
মখুৎ মখুদাংদা য়াল্লি রেশোম অঙাংবগী শেঙ্গাও
মখুৎ য়েৎথংবা অতুনা পায় পিথ্রাই কোম্পাক মচামা
শোত্থু হাংদোকহল্লি বহারত্থুরবু মাই পান দোকান্দুগী ।

খুরাইলৈমা মাই পান দোকান ফম্বা হৌখ্রে।
সনা য়াথং তাউথরকই বহাত্থুরদা হায়—
হায় বহাত্থুর ! চৎলু মাররারী হোটেলদৈ
তেক্‌্রা অমগা চা স্পিসিয়েল অমগা
নৌরুচো চৎলু ঐনা হায়বকই হায়য়ু
অস্থুম্না খুড়াইলৈমদো ব্রেকফাস্ট লোইখরে।

হাইগা ! তাইবুং ঠিকাদারদি ঙস্থানা কদায় লেঙবিগদৌরিবা ?
খুড়াইলৈমা ব্রার্ক সাইদতা চৎলুগে ইবুং ।
তাইবুংঙো ! করি করি তৌজরকউগে ?
চুরুট ৫৫৫ দো উপু মঙা মৈখেৎ উপু অমাগা ।
হাইমা কৈনোনে হায়রিসিবো তাইঙোগী
সিগ্রেদ লাইটর অমা নৈদাইনে মোরেদগী
ঐখোয়গী তম্পাকলৈমনা পীরকই হায়দায়নে।
মদো থবক চৎপদা চীংনুংদা তাহৌর ।
মদো ফজখ্রবনিদা তাহৌরে কেরে।

তাইঙো অতৈদ্রি কন্নি কন্নি ?
অতৈ হায়বন্নু পান্না মতপ্পতো তরামুক য়োমথিলো
প্লাসতিক খাঊ অমদা হাপ্পচিলো অতুগা
মতপ অমনা হৌজিক চাখিনবা পীরো ।
সিদা লৈত্রবে পী খুরাইলৈমনা ।
লুপা চামা চংপী অমা পী ঠিকাদারনা
খুরাইলৈমনা—তাইঙো ঐদি থোৱকপদা ঙাইদি
অচোইবা অমতা তাদ্রি কমদৌনিসিদি ।
হোরেল লৌরবসু য়াইদা হয়েংসু লৈগদৌরিবো ।
অতু ঙাইরেদনা জয় খুংলামথাম লাইরেম্বী ইবেম্মা
পোং য়াম্না শিংচগেকো ইমা ইরেম্মা
অতুগা মুরুম মুরুম শোনখি খুরাইলৈমা
"অরৈন্নু নঙনা লৈশিল্লকউ, অশিংন্নু নঙনা শিংচিল্লকউ
গুরুলী য়াথংনে ।" হায়রগা চাম্মা চংপীতু চুপ্পী
অতুগা মাগী শেনগাওদা হাপ্পচিনখি ।

মথং মথং লাকই পানা লৈবা
খুড়াইলৈমা মথৌ চিল্লি পানা তপ্পী লৌশিল্লী পৈশা
পীখি পানা মথং মথং পানা লৈবা লাকই
মারৱারী, পঞ্জাবী, উরিয়া, কেরেলা, মাদ্রাজী
বীহারী, বেঙ্গোলী, আসামী, নাগামী, খাসিয়া
মীথিং গুই মীখল গুই শেঙ্গাও পায়বা ঙাক্কা ।

মখোয় মখোয়গী লোলদা ঙাংনখি খুমখি
পীখি পানা পীরম্মী পৈশা লৌশিল্লী পৈশা।

নওনা লীখিবা অহুদৈ খুরাইলৈমা
ইবোহলগী ব্রারী হাইফেৎ খঙবা ঙমলে।
মহাক পৈশা ফনা য়াম্না পায়রম্মনি।
অং পায়ববনে পায়রবা তাদ্রিববাও নঙবো
লম্ফেল্লদা হন্দক দোকান য়াম ফজবমা
শারে হায়বদো মাগীনে খুরাইলৈমগীনে।
মনাও ইবু ঙো তম্পাকলৈমদি কমদৌরিবা?

মাই ব্রারীস্থ তানীংঙিনে ঐবো লীবা ঙম্মরোইদ্রাও?
তম্পাকলৈমা মোবে তাবীগী ব্রারীস্থ লীখিবা তাবি
মচিন মনাও হায়ফেৎ মান্নবা জাৎনি
কারবার খুতৌ লাক্কৌবু হায়জরিবা
মাস্থ পান দোকান অমা মোরেদা ফম্লি হায়
মীনা হায়নরিবা কে-খোৎ তৌঙম্বদি
মানবু হেল্লি পৈশা পায়বস্থ হেল্লি হায়নৈ।
অমনা পান দোকানগী মথক্তা ব্লেক অমস্থ
ব্লেকপু তৌরবদি হৌজিক্কি পৈশা পায়দনীংঙাই লৈতে।
করি করি পোৎনো মানা ব্লেক তৌরিদি?
খঙদে ইশু শুই নম্বর ফোরফাও য়াওই হায়নে।

অফাওবীনে অফাওবী কনাই ছাত্তিন, কেখোৎপগী
ফিস্মু জাৎ শুই হায়নে ব্লাৎপা নত্তেদা
মাই দোকান্দা, মায়তৈ হিদাকস্মু মখল শুই
পাউদরস্মু, মায়তৈ মহীস্মু জাৎ জাৎনি।
ময়ামবুং খুরাই লৈমদৈ য়াম হেনজাৎল্লি।
তোপ তোপ্পা গুন খর লৈজৈ মহাক্কী

লৈমতোল লৈমনা কমদৌ জাৎনো?
মাগী ব্রারীতুদগা তারবদি শুংঙাইগদবা।
হোয় হোয় লীরগে মতম মাঙবগী মাঙবা।
লৈমাতোনস্মু থা থা য়াবা মুপীদি লাল্লে লাল্লে
হে মুপাদি নত্তে, মাগী ময়াম্বা অনীদো অতুদগী
হেনবা গুন খব মঙোন্দা লৈ।
অতৈদি ময়াম্বুং অনীগা চপ মান্নে
পোৎ-চৈ, পানা-ক্কা, ময়োন লাকয়োন
খেল্লবা হায়ববু অনীনা মনিপুরগী
মপান্দা, চিদাইদা লৈবা লমদা ফম্বা দোকান
মানা ফমলিবা মফম্না ইম্ফাল সহর ময়ায়মক্তদা
মায়কৈ মরিমক্তগী লাকপা মীওইশিংগী মীতিনফম
সিনেমা হোল মনাক্তা মীগী মিংয়েংফমদা।
পোপা লাকপা কাঙবুদি লেম্না থাদে মহাক্কা
মনাক্তা কৌশিল্লী য়েংহল্লি কেবগী মপোৎ

লৈশাবী, মৌনহা থওইনা য়ুম্বান কুইদ্রিবশিংদা।
বেল খিংলকপদা মৌনাওহুগা লোয়নরকপা
মুপা অহুনা—লোইদ্রিবরাও ? চঙলসি বেল খিংলক্লে
তাবিদে মুপীহুনা য়েংলি লৈমতোনগী কেবা
কেননবা খিল্লিবা কোসমেত্তিক ময়ামহুদা
ঙহাক কান্নরগা খুম্মকই মুপীহুনা-ঙহাক্কা ঙাইখোবা
মপুক্কীং খিংজিল্লি কোসমেত্তিক ময়ামহুদা।
ব্রান্দ হংলি মৌনহাহুনা, তাকলি লৈমতোন্না।
তৈবা মতৈ, য়েকপা ময়েক, শঙবা মশঙ।

অমনা সিনেমা লোইর কান, মী হন্নখ্রতুং
থোঙ লোনশিল্লি মাই পান দোকান।
তামো মাগী স্কুটর পুহুনা লাকই মাবু লোবা
তামো স্কুটর ব্রালা হেক উবদা হায় লৈমতোন্না
ঙসিদি অফবা ফংদে য়াম্না, হাফ অমখক্তং
স্কুটরব্রালা তামোনা ঐনস্থু সেকমাইগী খন্না।
কয়া য়াম্বা জাংনো সেকমাইগীহুবো ?
লিক্লি অমখক্তনি, তিন পন্না চনবদো
লৈমতোন্না – য়ারনিদা লিক্লী অনীহুনা ঙসিগীদি
মখোয় অনী চঙখি দোকান অহনবা
শাবা লোইদ্রিবা মপু লৈতবা অমদা।
স্কুটরব্রালানা তামোনা পুরকপা লীক্লী

গ্লাস মচা ফজবী মশা তনানবী তম্নাপী
প্লাথাক্লে হৈরে থকমিন্নরে অনীদো
ঙাওরে হাইফেৎ, হাইরে খরা, ফাইরে লৈয়েং
তামে। স্কুটরব্রালাগী মনীং নপ্পী লৈমতোন
ইংলিস ফৈরেং তুরেং লোল্লত্থনা থোরি গাড়ীদো তামোনা।
গাড়ীনা খংচোং চোংবদা তাহৌই লৈমতোন লম্বীদা
লৈমতোন্না—হিংচাবাও মী অমা মনীংদা তোংঙি
হায়বা কাউরি করিগীনো ? অয়ো, অয়ো খ্বাং তেক্লমাল্লে।
লৈমতোন তাহৌরবদা তামোগী গাড়ীত্থ খাম্মী
খংনৈ মখোয় অনী ফুনৈ অমগা অমগা
ঐনা লাল্লে হায়রেদনা - তামোনা খুমজে।

লম্বী ময়াদা দোকান ফমজবা, হোটেলকাস্থ তৌজবা
ইমুং অমদা লৈবা লৈশাবী মচা অমগা তায়
মা নুংশা থী খংনবে ব্রাহৈশিংত্থ তাবদা ফুবে মখোল তাবদা
খনখি মতৈ মনাও খংনরমাল্লে ফুনরমাল্লে।
লৈশাবীত্থনা তুমলিবা মবুং হৌদোকই—হায়
তাচৌ শোড়োক্লা মতৈ মনাও ফুনরমাল্লে
নুপাসিনা মাগী নুপীবু শাথীনা ফুবিরে।
ওহাক্লা খাম্বীক্লসি তাচৌ হৌগংলো লাকও।
মচন নুপীনা হায়মনবত্থদা মবুংদো হৌগংলকই
মবুংনা তোচ অমা মচন নুপীনা লালটেন অমা পায়

থোরকই মচীন মপুন্না অনীদো খৎনবা খাম্বা।
তোচ´ কাপ্পদা উরকই মুপী য়াওরমত্রে
মুপা ঙাক্ত ওইরমলে খৎনরিবা অনীদো।
মচন মুপী লৈশাবী মচাদো মবুংগী মাঙদা ইকায়খি
মবুংদো ঙকখি থোদোক অছু উবদা।

ঙসি পাবুং অপোইবদো মাগী মাঙ্গোলদা ফম্লি
চিন্তা পোল্লম পুরত্থনা ব্রাখল খল্লি মতোমতা।
মচানুপা অহুম্নি পাখং শরী ঙাক্তনি
অহন্না খুড়াইলৈমা ডিমাপুর ওংবী
য়াইমনা ভম্পাকলৈমা মোরে ভাবী
অতোনবনা লৈমতোন লৈমা
ইম্ফাল সহরগী সিনেমা হোল মমাঙগী
অমতা ঙাইরবী হেরোইন, হেলেন হায়নস্থু খঙনৈ।
মখোয় অহুমগী খ্বাইনা খঙনরিবা মিংসি
পাবুং অপোইবনা থোনবা মমিং অমতা নত্তে
মীয়াম্না খঙনবা মীয়াম্না থোনবা মমিং ঙাক্তনি
পাবুং অপোইবনা থোনজবা মিংদি
অহন্না—ইবোহল
য়াইমনা – ইবোয়াইমা
অতোনবনা—ইবোতোম্বা
মখোয় অহুমদো মতম হেন্দোকখিদৌরবনি

মুপী নহা থিবা লুহোং থোঙদোংবা।
পাবুং অপোইবা চংলি কোয়না কোয়না
মচা মুপা অহুমতুগী মুপী হায়বা
কনামত্বা পীরক্তে কনামত্বা য়ারক্তে
নিংভোল পোকপা পম্বৌশিং অতুনা।
চমু নিংভোল অমত্বনম্ব মুপাশিং অতুদা লৈনীংদে
লৈয়ু হায়বদা য়ারক্তে খুম্মকই—
মুপী মানবা মুপা অতু লৈদৌ শরুক
থৌবি য়ান্দ্রুনা শিজখিগে ঐ।
মসিনী লৈশাবী পুম্নমক্কী পাউখুম।

পাবুং অপোইবগী মচা মুপা অহুমদো
অম্মুম্না মুপী থিবা ফংখিদে
চুপ শাখি চুপ।

গোসাই পণ্ডিত

ফৈজোম শেং গুনাজ কাও
পুময়াৎ ফ্লরিং লিং
লেংবান্দা ইনফি য়ান
মিংতা আনোক
থু- ওইনা ছাতিন খান
য়েৎনা লৌচৈ অকোনবী চৈশু শু
লাকই কুন্দন বাবু
মুখার্জ্জী সাহেবকীদা
গোসাই পণ্ডিতকী
অকুপ্পা ৱারী ৱাখোঙ খঙনীং ।

মুখার্জি সাহেবনা লিবীখি
কুন্দন বাবুদা অস্থুন্না—

গোসাই পণ্ডিত অসি
হৌরকই অঙাং ওইনা
গুরুদেবগী আশ্রমদা ।

পীশক পিকলীডৈদগী চেল্লকই
তোপ ত্তোপ্পা শুন অমা।
মসি মানা তৌথোরকপা
থবক খুদিংনা তাকলকপনি।
সর্ব্বে সর্ব্বা হায়বসি
হৈনবী লীচংনি মাগী
মী অমনা ত্রৌবম্বা থবক
মানা তৌবনি হেক্তা হায়জিল্লি
খণ্ডবা ময়ান্নদি অতুম থাজৈ।
ওইদবা হায়জিনবদা হালেংবা লৈতে
অখণ্ডবননি শাওজাংনি মাগী থৌদোক্নু।

গুরুদেবগী ব্রাখলদি করিনো ?
সেবক মশেল খংনবা
পামদে হৈনদে গুরুদেবনা।
মীনমলবস্নু নমজসন্নু কৈদৌবগে
মৈবু ফিনা কুপ্পা য়াবরা ?
তুংদা অওইবা খণ্ডনজরকনি
ধর্ম্মনা তুংদা জয় ওইবনি
জথা ধর্ম্ম তথা জয়।
গুরুদেবগী ব্রাখল পরীং ইন
য়ানীংদ্রবস্নু শাউনীংলবস্নু ময়ামদো

কনামতম্না চীন কাংথোক্লখিদে
মতুদা গোসাই পণ্ডিত হৱাওখি
মাগী থোক মীয়াম্না থগুদে
পুন্সীদা মায় পাকদৌরি হায়না।

অস্থুম্না হৌরকখি নহা ওইরিবৈঁ
গোসাই পণ্ডিত অসে।
মানা করম্না নোলেজ জ্ঞান
তাল্লকপগে হায়বতুগী মরমদা
ঐ লীরগে তারো।

গোসাই পণ্ডিত,
অহানবদা ওজা ওইরম্মী
মরোলফাও নীংথিনা ছাত্রনা
তাবা য়ানা শেংলমদে
ক্লাস অহানবা চণ্ডবদা
মথোল নীকলম্মী
মকমলাক থক থক নীকলম্মী
মমায় ভাণ্ডলম্মী মনা ভাণ্ডলম্মী
অস্থুম্না উথি হৌরকপদা মাবু।

চহী খরগী মতুংদদি
মহাক য়াম্না ইমপ্রুভ তৌরম্মে।

করিদগী করম্না তৌরকইবনো? হায়বদা
পরীক্ষাগী চে য়েংবদা ওজাশিংনা
ছাত্র-ছাত্রীশিংগী মফমদগী
তম্বা হৌখি।
স্কুল, কলেজদা, নীংথি নুংঙাইনা-তম্বীরক্কবনিনা
প্রাইভেত থম্লে
অথঙ অহৈ ওজা কয়াবু
ডোক্তরেত, টেনরালা য়াওনা
হায়রিবা মীওইশিং অসিনা
ফজনা শেম্মী নোট
পারুবা লাইরিক লাইশুগী জ্ঞান
লৈজবা মাগী জ্ঞান
উংথোবকই ওজাগী নোট অতুদা
ছাত্র ছাত্রীশিংনা পুই চিনফা
ওজাগী নোট অতু
ই পরীক্ষাদা ফজনা
অরান অহুই য়াওদনা।
অথঙ অহৈশিংনা শেম্লকপনি
মতু চিফা পুরগা ইবনি।
চে য়েংবদা ওজা ঙকই
ওজানা থেংনরক্কবা কয়া ইথোরকই।
মতু গোসাই পণ্ডিতনা

মাগী নোট বুক্তা শিনজিলহৌই।
অস্মুন্না গোসাই জ্ঞান তানশিল্লি
নোলেজ হেনগৎলকই।

হৌজিক্তি গোসাই পণ্ডিত
মী অনা ওইরে খণ্ড-হৈবদা
ওইরিবনি খণ্ডবা মরক্তা
শুনীং নোংনীংদবা, হোৎননীংদবা
খণ্ডনীংদবা কত্তন মরক্তা।
গোসাই পণ্ডিত মমিং চৎলে
ইমুং-মন্নুং মরী-মতা ভুংডাইরে
সিদগী হেন্না ভুংডাইবা লৈবরা
হায়বত্তু য়োরে মখোয় ইমুংদো।

অস্মুন্না হৌরকখি গোসাই পণ্ডিত
মণোন্দা প্লস নত্তনা মাইনস য়াওদে
পীথোকপা হৈতে লৌশিনবত্তনি
মসি মাগী হৈনবীনি, পোকপদা য়াওরকপনি
শাগোন্নরকপা বিদ্যানি, মহৈনি।
গোসাই পণ্ডিত হৌজিক্তি
ইনাক খুনবা অমা ওইরে
ময়ুম দলান শারে, কৈ চোল্লে

মহৈ হৈবা অখঙবা ওইরে।
খ্বাইনা ইকায় খুম্নরে।

গোসাই পণ্ডিতকী লমচৎ
তোপ তোপ্পা অমম্মু লৈরি।
মী তিন্নবদা মঙোন্দ কান্নপ্পদবা
খল্ল খল্লগা চায়েং তৌই
মানা ঙানবা য়াগদবা
থাংমৈ মখোঙ থী
ঙানবা য়াগনি কান্নগনি
হায়বা শামিন খিত্তংবু
ফংলবদি কাকফৈসি মঙাই
হেক্তা নপ্পী চুপ্পী ঈ ঙমজমখৈ।

গোসাই পণ্ডিতগী গুন অমনা
ওইদবনা অওইবা শাহুনা
ঙাওবদা হালেংবা লৈতে মহাক
অতুঙৈ মানা নহা ওইরিঙৈ
খৌদোক অমা থোকখি—
ওইদবা পরেং অমা লেংহুনা
হাপ্পুই খবর অমদা মপানগী
খুঙনরক্লবদা রাজাও থোকখি

কোয়চেন চেন খাওখি য়ানা
হায়জখি মীপুম থুং
অমুক হন্না তৌজররোই
হন্দকমুক্তদি মাপ তৌবীন্নু।
হায়জ চংচবদা,নপচবদা
ইকায়বা খওদে মপা লৈতে।
কান্নগনিবু হায়রবদি
শেন্দাং মথী পৈশা শুইরবোই নীং
খুল্লি হায়বত্তুনি মহাকসে।

গোসাই পণ্ডিত মমিংগা চানবা
থবক কয়ামত্তু পাঙথোক্তবা নত্তে।
থিজিনবা লেপ্পা লৈতে
অখাং কনবত্তু মপা লৈতে
হংবা তন্দে হোৎনবা কল্লি।
পুন্নমক অসিনা মরম ওইরত্তুনা
গোসাই পণ্ডিত মী ওইখ্রে
শীংথানবা য়াবা মী।
মঙোন্দগী হেনবা অখওবা
অহৈবা মৈত্রবাক্তা লৈত্রে
গোসাই পণ্ডিতত্তা পণ্ডিত ওইখ্রে।
গোসাই পণ্ডিতকী

মুংঙাইরবা নোঙ্গীংশ্রবা
রা অমম্থু লৈরিলে চিংথাহৌদৌইদা।
— নোংমা প্রোসেশন অমা লাকই
শোড়ক মীনা গুং গুং
লমজাও মীনা পুমথল থল
কাংজৈবুং মীকোয় পুমমুমু
লাওই স্লোগান—
ইনকিলাব জিন্দাবাদ
প্রজাশক্তি গুন্দাবাদ
গোসাই পণ্ডিতশ্মু য়াওরি মরক্তা
মাস্থু লাউরি স্লোগান
লেপ্পা লৈত লাউরি।
মানা লাউরিদো খওলবরা ?
ডেমোক্রেসি শান্নরিবা ডেমোক্রেসি।
খওহৌদে মনাক্তা চওশিল্লকই
পাখং অমানা কৌই বাবু! বাবু!
মবেংবান্দা পোপ পোপ ফুই।
মরেংবান্দা ফুবত্থদা খংহুনা
হন্না য়েংঙি, শংগ্রিক য়েংঙি
ঙহাক লৈরগা শাউনা—
কৈনো ? কবিগীনো ?
খুন্মী করিস্থুগী নত্তে

বাবুনা শিবা য়াকা নায়রুবদি
ননাই ঐভোন্দা খয়া তাকপীরম্মু
হায়জম্মিবা বাবু।
শাওনা, য়াম্না শাওনা—
করিগী ?
বাবুগী কোক্কো কোক অচৌবদো
মাথা য়াম লৈ হায়জম্বিবা
করিগুম্বা বাবুনা শিবা থোরুবদি
পোলোইবা য়াওজগে হায়বনিদা।
করিগী ?
বাবুবু মুংশিত্নুনা হায়জবা নত্তে
পোলোইবা য়াওরগা
কান্নবা খজিত্তং ফংগদরা হায়তুনা।
করি কান্নবা ?
বাবুগী কোক্কী শরুক
তুম্বা মানবদো লৌজহৌগে তৌবা।
কৈদৌনবা ?
তাল পুরা ওইনবা।

গোসাই পণ্ডিত অসে
প্রোজেনটেসনদি য়াম হৈবো
হায়দি উৎথোকপদি হৈ হায়বা।

খজিত্তং খণ্ডবছন্দা মানা শাগৎপাসিদি
কন্নি অমুক হায়রুনি
অতাবা অয়েংবা প্‌ন্নমক
থোক্ত থোকখিবা থৌদোক
অওইবনি খলহনবা ওম্মী
মসিনী মাগী খ্বাইদগী
চাউবা গুন।
মসিমক্তনা গোসাই পণ্ডিত
হায়না মৈত্রবাক শীন থুংনা
ফাওরিবনি ফাওরিবা।

---

(১৫)

কন্দ্রুং নোংবান

কন্দ্রুং নোংবান হায়ববু কনানো ?
হেৰা মাবু নও খওদ্রিবরাও ?
খওদ্রি, খওদহুনবু নঙোন্দা হুংঙিবনি
খওঙদি করিগী হুংঙুনি ।

কন্দ্রুং নোংবান হায়বদো
কনানো হায়বা ঐ শিং শিংনা তাকে
হোয়নে মীনদি য়াম ঙাওনৈ
মাগী মরমদা তাবা কুইরে
মশক্তি খওদবা অহুদা
ৱারী তাবসে শক খওদ্রবদি
কয়া হুংঙাইতে করি হায়গে ?

চুম্মী বন্ধু
য়াম চুমখ্রবা ৱানি ।
মশক খওদ্রবদি কয়া হুংঙাইতবনি ।
হুপী অঙাংদা নোংশাগুম্বা
মমান্নবদা হৌদোংগুম পাংদবা

হায়বা ইপা ইপুগী পাউবৌহু
বন্ধু, তারবরা ?
মহুনি কন্দ্রং নোংবান্না তৌরিসি।
গুহা মন্নুংদা মস্থনতা ঌব
হঙোই পোরোবীগী রারীদি ?
ঙাশেপ চিবানদোংগী রাবীস্থু
তারবা নত্রাও নঙবো।
খুনুনা মথোঙদা পোঙবা
অসিনচিংবা পূন্নমক অসে
কন্দ্রং নোংবানগী হৈনবী
লীচং শাজং লমচং ঙাক্তনি।
কন্দ্রং নোংবান কনানো
হংবদা খঙদবা লৈবোই
মৈত্রবাক শীন্না খঙনরিবনি
মশাগী ওইজবতা খিবা
মীগী করিমতা য়েংদবা
মীওই অমনি মহাকসি
লমহূই মমিং তাবেদনা
লমহূই লৌশিং হায়বদো
মাগী থাদোকপা য়াদ্রবা খুংলাইনি।
য়োংতাৎ মঙ মুন্না খঙঙেদনা
য়োংতাৎ মাগী হৈনবী লমচংনি।

লৌজনা পুজনাস্থ ওন্থোক্লা হৈগ্রে
মনি মাগী লমচংকী
মক্ক ওইবা শীংথাবা য়াবা অমনি।
ওইজবা থিবদা মপা লৈতে
ওইদবনা অওইবা শাহুনা
য়ারী লীবদা লাম্বা লৈতে।
হৈগ্রে ওন্থোক্ল হৈগ্রে
তক্ষাজাও য়ারী লীবগী
মচা মশু ওইরমগদরা চিংনরিবনি।
খোংজোম পর্ব্বকাস্থ শকইনে
শীন শুজাংনি মানা হৈতবা লৈতে
মাগী খোংজোন পর্ব্বগী
শৈশক্তু তারুরগা খল্লকইনে
কুলিজাওগী খারা নালা
ওইরম তায়ে অস্থুম্না।

অহুগা অতোপ্পা অমনা
করিগুম্বা ফংসন অমদা
মা হেক্তা লৈরমগনি
অশীন অরাং শাহুনা
মরু ওইনা মন্ত্রী য়াওবদা।
মীদি মশা মউ ফব্বনি

মরেপকা মঙানগা য়েংবদা
মরাক্ত থর ঙমলপ তৌবনি।
অফাওবা শাবনি শকস্তু তাখৎপনি
সব জ্ঞানভাগী মীশক্তি
মী অমতা মানা থানবা লৈতবনি।
ত্বনিয়াদা খঙবা হৈবসি
মথন্তনি অস্তুম্মা খনজৈ
কন্দ্রং নোংবান মতোমতা।
ওইদবনা অওইবা শাত্বনা
ঙাঙ শকপদা ঙখাক হৈয়ে।
অচৌ অশাং অঙম অথোৌবু
শুমহৎপা ঙম্বগী শক্তি লৈ।
অকনবা প্রেসর পীবা ঙম্মী
মাগী প্রেসর হেক লাকপগা
প্রেসরত্বু মুম্না তাগদবনি
তারগা ঙাঙলিত্বগী অচুম চুমদা
মী অতোপ্পগী মত লৌগদবনি
হায়বদি অতোপ্পদৈ কনফর্মেসন
লৌগনি কনফর্ম তৌগনি।
মাদি খঙদে মীনদি খঙভি
কন্দ্রং নোংবানবু চঙলক্লবদি
মোংবা চঙলকলে হায়না

অঙম অথৌশিংনা হায়নৈ।
মচিন তোঙবা ময়ামনা
য়ানীং পী মানা চঙবা মফমদা
নোংবান চঙলক্লবদি খুকউ শেল্লু।
কুইবা য়াদবমিকো নোংবান
মাগী য়াশক থাজবিরুগন্নু
খোংবাল চোংলগা কোকই
হায়ত্নুনা পংভাংদা ভাংবনি
লম্বোইরগা লাই প্রসাদ পীজগনি
হায়বা য়াথমতু তাদনবা।

কন্দ্রং নোংবানগী লমচংসি
মপা মপু হাক্তক্তগী চংলক্লবা
হৈনরক্লবা লীচং শাজংনি।
অত্তুঙৈ মাবু পোকপা মপাসু
মীনা তমত্নুনা তাববু
য়াম্না য়ানা শিথি হায়দা
হুপী অতোপ্পীগী য়ুমদা।
মপাগী অশিবা মশা অতু
লৈকোই কনামতা চঙবিরক্তত্নুনা
পুথোকপীনবা লৈখিদে য়াখি হায়নৈ।
মীনা হায়নরিবা হুপী অতোপ্পীত্নুনা

মপুরোইবগী অশিবা হকচাংদু
ইমুংদগী থাত্তেনকম কাওবা
মতোমত্তা শোত্রো শোরোঁ
লাক্লুনা চিংথোকই হায়রৌ।
লৈকাইনা য়ারক্কবা হায়বগিন্দু
য়াম্না লুইদা বক্কু
কন্দ্রং নোংঝানবু লৈকাইনা
য়ারক্ত্রে তাহোক্লনি হায়নৈ
মীনা মুক্সুক মুক্সুক ঙাংনবা
তায় হায়না ঐগী হুপীনা তম্মী।
মখোয়দি হুপীনিনা হায়জরিবা
মপান পংথোক থোক্তে
অতুগা ঈ-পাউ তাবদি
ঐখোয়দগী মহোয়না হেল্লিনে।

খ্বাইদগী নৌবা ইনৌ নৌবা
কন্দ্রং নোংবানগী পাউ অমা লৈবি
হুংঙাইগ্রবা জাংনি ঐ তমগে
নঙ মুন্না তাউ নোকল্লকো।
মহাকসি রাচং রানোম্বদস্থ
য়াম হৈ ঐনা হায়খিদনা
মতুগী মথক্তা পোৎতপ অমা

অমী য়াওরকপগী য়ানিদা।
হন্দক ইন্টরভিয়ু ময়াম অমা
তৌখি হায়নে মীনা ভাজনবো
ইডুকেশন ডিপার্টমেন্টকি হায়দি
স্কুলগী কলেজগী ওজা হাপপগী
ফিসরীগী ইন্সপেক্তর হায়গী
কো-ওপরেতিভকী ইন্সপেক্তর,
পি.ডি এগী পোস্ট খরা,
সাইন্স এন্দ টেকনোলোজিগী
ফম খর হায়গী।
মতুদা মানা খওজদবা অপং
ময়ামদগী পৈশা থোমগৎপসি
মন্ত্রী ওাংনবিনি, অফিসার ওাংনবিনি
হায়জিন্দুনা, য়ামগ্রমাল্লেদা করিনে।।

মাগী চালাক্তি স্নুম তৌজাৎনি
ইন্টরভিয়ুদা হংল্লক্কদবা
ক্যোইসননি হায়জিন্দুনা
ক্যোইসন মান্নবা শেমজিল্লগা
জেরোক্সতা নমথোক্লগা য়োলি হায়নে।
লুপা লীশীং মণ্ডা মণ্ডাদা।
মতুদা মামা হন্দক থা মরী মণ্ডাসিদা

তানবা পৈশাসি য়াম্মগ্রমাল্লেকো
লুপা লাক্ক অনী মথাই
খর কস্তুক ফংখি হায়নৈনে।
মানা তৌরিবা চালাক অসি
ওকত্রা হায়মি ঐদি ওকখ্রে।


পৈশা পায়রবনিনা মা মী উত্রে
মখল মখলগী থবক চৎথরক্লে।
সিনেমা ড্রামা তোয়না য়েংঙি
লৈশাবী মচা অমা পুপুত্নুনা।
হংলগা খুম্মী—
ইচেগী মচানি লরাইদ লৈবনি
ঐনা ইম্ফালগী হাল চাং
খর খঙহন্নীংত্নুনা পুরকপনি।
অমদনা ইশুনি সিনেমা য়েংহনগে
শায়োকশঙস্থ য়েংহনগে হায়ত্নুনা।
অস্মুম্না লৈশাবীত্থ পুপুত্নুনা
মুমিৎ মরি-মঙানি চৎলম্মী হায়নৈ।

কম্প্রেং নোংবানসে
ফিজেৎ চাকচাকাসে হোঙকএ
খুৎতা অমা তৌরে হায়নৈ।

ঐনা খল্লি মাগী ফিজেৎ অদো
ওস্থোক্লা য়েংনীংগ্রে অস্নুম্মা।
নোংমদি গোং হেক থেংনরেদা
অওকপনিহৈ বন্ধু।
ঐ পুমওক ওকখিহুনা
মানা কৌবদা ওহাক খুমদেদনা।
লোইরেহৈ বন্ধু, মহাক লোইরে
মা চহী ৬০গী মথক্তা নৈরম্মনিনে।
অহুদা মানা শেংলিবা খোওগ্রাও
লিংলিবা ফুরিংকাসি অওকপনি
চহী ১৮গী পাথংসি মণ্ডাই।
খোওউপকাস্নু মরাং তুরাংবা তোংঙি
খওদেদা বন্ধু! অওকপনিদা।
ওসি ওরাংতগী য়া অমনা
ওকখ্রবা য়ানিদা তাহৈদবা
আরবকী ললোনবা মুসলমান
শারহুনা মানা পু পুহুনা চংলম্বা
নৈশাবী মচাহু পুহুনা চেনখ্রে
মথোয়গী লৈফম হৌজিক ফাও
খওদ্রি থিবা ফংদ্রি ওাংনৈনে।
নৈশাবীগী মমা মপাদা
থোক অমা তৌরম্মালে নচা হুপীসে

মখোল কৈ, তান মেন কৈ
ঈশৈ তমহনসি ঐগা লুনা খিজব।
ওজা অমা অক্ষনৌবা
ঈশৈগী ওজা ওইরি
মঙোন্দা শিক্ষমগে অক্সমা।
মা হৌজিক কাওবা খংদ্রি।

য়্রা অমনা মানা য়্রা নোমখিনী
হায়তুনা ক্যোয়লন য়োনতুনা
খোক তোখিবশিং অদো
মানা পীবা ক্যোসনশিংতু
অমতা পরীক্ষাদা হংলক্রে
কেম্ব্রিদেংশিংতুস্ন অমতা খল্লক্রে।
শাওমনখিতুনা ময়ামতুনা ময়ুমসু মৈ থাদোকপীখ্রে
মন্ত্রীগী, অফিসারগী মিং
য়োন য়োন্দুনা চাবা ওম্বা
হুপ্পী নবাদা চোপপ্রবা
কন্দ্রং নোংবাননি কন্দ্রং নোংবান।



অইবীগী কোঙলবা অমসুং কোঙগদৌরিবা লাইরিকশিং

১। মুনা ফিদম (মুনী থবগী পুন্সী বারী) ১৯৫৭
২। লৈমরোল (অথোবা বারী) ... ১৯৫৮
৩। থোইবীগী মঙলান (শৈরেং) ১৯৮০
৪। পংলেম লৈপাকলৈমা (বারী মচা) ১৯৮৪
৫। লাংলেন থাদোই (মমি কুমহৈ) ১৯৮৪
৬। লোইজিং লোইয়া শৈরেংলৈ (শৈরেং) ১৯৮৪
৭। থিংজেল লাইজ ঈরা ওথোল (শৈরেং) ১৯৮৪
৮। হৈমা খুন্নাকপীগী নোংগাংলৈদো
(বারী মচা অমসুং লীলা মচা) ১৯৯০
৯। মযাদো লৈশাবীদো অঙাওবীদো (লীলা) ১৯৯০
১০। অবোকী মঙলান (লীলা) ১৯৯০
১১। হাউইকো হৈথা হাউইকো হৈয়েন (লীলা অনী) ১৯৯০
১২। মহাশক্তীগী খুৎপামশেল (লীলা) ১৯৯০
১৩। ক.বাক ওইথবী কবোকলৈ (লীলা) ১৯৯০
১৪। নুরা মাইথিংকোম (কংলৈরোলগী বারী) ১৯৯০
১৫। হেলোই হেলোই মীহেলোই (শৈরেং-বারেং-শিংজুত) ১৯৯১
১৬। হক্কিমাটকী কুলী মুপী (লমকোয় বারী) ১৯৯১

প্রেসতা লৈরিকশিংনো

১৭। তাদ লোলাই পাবা (তমাং লীলা)
১৮। ইংথোল মচেৎ অমতাগী (লীলা)
১৯। থম্ব' থোইবীগী অশংবা বারী (খোইরাং কংলৈরোল)
২০। লৈরোল (শৈরেং)
২১। থবা (মমি কুমহৈ—ডোকুমেন্টরী)
২২। হনি-মুন (Honey moon) (তমাং লীলা)

মথুম য়েকপা—বালা ব্রহ্মা